
লাইশ্রমচা তোতোজী


খোঙথাং



অফোংবা


এন: বিরেন

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY
IMPHAL - 3



খোঙথাং

অহানবা শরুক




অহানবা থোরকপা :—

নবেম্বর, ১৯৯৫, মশিং — ২০০০

ফংকম থোকপা পুস্তক অইবনীনি

মমল লুপা – ৮০/- (লাইব্রেরী এডিসন)



'অথোবা' কোল্লোয়নগ্রবা !
হুংশিল্লবা পারি নফমদ
পাঙ্গল শোল্লবা ইপান
লাইরিক মচা অসিমতং
খুদোল তম্লমগেকো ।

তোতো

খোঙথাং

ঙসিদি, মীওইবা অসি তাইবং শেম্বা মহাক্ক পাঙথক ওইরে হায়না লৌনরক্লে। অহুমওইনমক, চহি লিশিং লিশিংগী মমাংদদি মশাবু খুদোংথীবা কয়াদগী কঞ্জনবগীদমক লৈকু-লৈরায় অমদি শুরুং মহুভদা মরুম থুম্না ভারকুই। মাঙদা খোকখিবা থোদোক কয়াদগী তুংগী ফিরেপ লৌহুনা, খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লদুনা রাখলগী য়াওল কয়াগা লোয়নমনা ঙসিদি মালেম'সিদা চাওরবা মীওইবা খুম্নাই অমা ওইনা হিংলরে। মাঙগী, হৌজিকী অমদি তুংগী থম্বা ভম্বা ওইবনা থরায় পাম্বশিং পুম্নমক্কী মথক থোংনা মীওইবনা হিংলি। শেম্বীবা মঙোন্দগী মীওইবনা ফংলিবা "রাখল" অমসুং "লৌশিং" অসি ফংলমদ্রবদি মীওইবগী মথক্তা য়েংন লৈরম্বসু য়াই।

লৈবাক্কী লৈমায়, অইভ-অশা অমসুং চিঙ্গাক থেম্নবগী মতুংইন্না শাওং-শাদা, চাব-থকপা, ভুম্বা-হিম্বা, ফিজেৎ, রাখল্লোন অমসুং হৈনবী অসিনচিংবা কয়াদ মীওইবা কালুপকী মরক্ত থেম্নবা থর লৈতবদি নত্তে। লৈকু-লৈরায়দা অমদি শুরুং মহুভদা চহি চা কয়া মরুম পুপ্পুনা হিংলম্লবসু হিংনবগীদমক চিঙ্গাক থিনবা হোৎনরকপবা অমৌ-অনৌবা রাখলগী মঙাল কয়া ফংলদুনা শাহিং চাবা শাঙ্গা কয়া মায়োক্লবা ঙম্লদুনা মকম চাবা মকম থম্নুনা কাঙলুপ কাঙলুপ ওইনা খুন্দা লৈভাবা ঙম্লকখি।

সমুদ্র, পাং অমসুং তুরেলগী মপান্দা খুন্দ লৈত্তাবা কাঙলুপ্পা ঈশিংগী হৈনবী লৈ, ঈশিংদা লৈবা শা-ঙা অমদি ঈশিংদা চাক্তাবা উচেক রায়ান। মখোয়গী হিংননবগী মরুওইবা চিঞ্জাক্নি। চিঞ্জাক কয়াদু ফংনবা হোৎনবনা মখোয়গী শিনফম ওইরক্লবগী মরু ওইবনি।

লৈতেম মান্নবা লৈমায়গী লমদা খুন্দাবা কাঙলুপ্পা শা-ঙানা মরুওইবা চিঞ্জাক ওইরম্লবসু মহৌশাগী ওইবা মহৈ মরোং কয়া চিঞ্জাক ওইনা শিজিন্নবা খঙলক্লুনা মনমা-শিং অমদি মহৈ মরোংগী পাম্বী কয়া থাবগী রাথল লাক্লুনা লৌউ-শিংউবগী শিনফমগী মচাক ওইরকই।

অনেম অরাঙ নাইবা অশুকপা উমঙ-রামঙ অমদি চীঙদা খুন্দাবা কাঙলুপ্পা চিঞ্জাক্কীদমক শা-উচেক তাম্বা, উহৈ-রাহৈ থিবা মখৌ তাই। থবক'সিগী হৈনবী লৈরকপগা লোয়ননা শিনফম ওইরক্লবগী মচাক পীরকই।

মীওইবনা হিংননবগীদমক চাননবা চিঞ্জাক, শাহিং চাবা শা-উচেক কয়াদগী মশাবু কঞ্জনবা অমসুং অইঙ-অশাদগী কঞ্জনবা পোৎচঙ অসিনচিংবা কয়া অমা মখৌ তাই। পুম্নমক রাথল অমসুং লৌশিংগী মঙালনা মায়োক্লনবা হোৎনরকই। অমুম্না, মী ওইবগী কাঙলুপ হেন্ন-হেন্ন চাওথোক্লকই নুঙনা শাবা খুৎসু খুৎলাইগী মহুৎতা মখল কয়াগী ধাতু শিজিন্নরকপা, ঈশিং অমদি কংফালদা লায়না চৎথোক চৎশিন ঙম্নবগীদমক হি-অমদি গাড়ী শিজিন্নরকপা অমদি শা-যন কয়া য়োক্লুনা মখোয়দগী কান্নবা লৌত্নুনা শিজিন্নরকপা অসিনচিংব কয়া অসি রাথল অমসুং লৌশিংগী মঙালনি। মখৌ তায়কপা খুদিং মীওইবগী চাওখৎ খোঙথাঙগী মচল অমনি।

মীওইবা কাংলুপশিং অসি অমগা অমগা শকখঙনরকপদগী রাথল অমদি লৌশিংগী মচাক কয়া পীথোক পীশিন তৌরকপদগী হেন্ন-হেন্না লোম্বা নাইত্রবা রাখল্লোনগী তুংইন্না হোৎনরকপদগী চহি চা খরগী মমাঙ ফাঙবদা শকখঙনরমদবা মীওই কাঙলুপ, ঙসিদি পুম্নমক শকখঙনবা ঙম্লে।

খঙবদা য়াম্না চাওখ্রবা মালেম অমা ওইরম্মু খুৎনা লাম্না ক্যংলবা পীক্লবা মালেম অমা ওইনা মহুৎ শিল্লরে।

য়েলহৌঙৈদগী, মীওইবা কাঙলুপ নাইনা হিংলকপা ওইবনা লুচিংবা নত্রগা লমজিংবগী মথাদা হিংমিন্নরকপগী চৎনবী অমদি অতুম্মক লৈরকপা মশানা তাবনি। কাঙলুপ অমগা কাঙলুপ অমগা লানম্নেংনহুনা অমদি চারৌ-মৌরৌনহুনা হেন্না-হেন্না চাওবা কাঙলুপ শেমগৎলক্লুনা হেন্না চাওবা অমস্মুং চাওখৎপা লৈবাক কয়াগী মীওইবা খুন্নাই অমা ঙসি ওইরে।

Man is more deadly than any other creatres of God

তুশোন-মানশোন্না, শাহিং চাবশিং কয়াদগী মশাবু ঙাকথোকনা হিংলম্বদগী খুৎশু-খুৎলায় কয়াগী মতেংনা পুন্নমকপু খুত্থুম চন্দুনা হিংবা ঙম্নকপদগী মীওইবা মশেলগী মরক্ত থোক্লরকপা অঙম তান্নবগী লান্না হেন্না খুদোংথিবা পীরক্লে।

কাঙলুপকী লুচিংবনা নিংথৌ ওইহুনা মাগী-মাগী অকক্লবা লমখৈগী মনুঙদা লৈঙাকপগী থবক তৌহুনা মীওইবা মশেলগী মরক্ত অমনা অমবু নমহুনা খুত্থুম চন্নবা হোৎনরকই। অপিকপা কাঙলুপকী লান থেংনরম্বদগী লৈবাক অমগা অমগা থেংনবা অচৌবা লানফম কয়া থেংনরকপা তার-কপদগী হেন্না খুৎকন পাঙম্বা লৈবাক ওইননবা হোৎনরকই। তমখিরবা শা-ঙা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবরম্বগী খুদোংথিবা অদুদগী মীওইবা মশেল ঙাকথোক্লনবা হোৎনবনা হেন্না অচৌবা পোৎলুম ওইরক্লে।

There has been no country and no period of history where people have not faced problems, but those are faced, solved and that period passes. There would be no progress but for the challenge of problems." (*Indira gandhi; That woman*)

থাঙ-তা অমদি তেন্নচিংবা খুৎলায় কয়া শিজিন্নহুনা থেংনরম্বা

লানফম কয়াগী মহুৎতা তয়াতরেৎ শুবা চহি চাদগীদি নোংমৈ শিজিন্নবা হৌরক্লে । মথং মথং ওইনা ঈশিং অমদি কংফালদা শিজিন্নরম্বা চৎথোক -চৎশিনগী খুৎশু খুৎলায় কয়া, হেন্না হেন্না ফগৎলকপগী ঙমজেল তান্নরকপগা লোয়ননা খুৎমাঙ চাওশিল্লবা লৈবাক কয়ানা শোৎথৱিবা লৈবাক কয়াবু খুত্থুম চনশিন্বা হৌনরক্লে ।

লৈবাক অমবু মীথা পোহলন্নবা হোৎনবদা মী লিশিং কয়াগী পুন্সি মাঙহনখি । লৈবাক অতুনা অমুক নিংতম্নবা হোৎনরকপদা চহি কয়া চঙবগা লোয়ননা থরায় লিশিং কয়ানা পোন্থা ওইনা কংথোক্লরবা মতুংদা নিং-খা তম্বগী খোল্লাও লাওনরকখি । ২০ শুবা চহি চাগী লোইরমদাই, সাইন্স এন্দ তেক্নোলোজিনা অন্থুকী মতিক থাক ৱাংনা চাওথৎলবা মতম অসি ফাওবদা মীওইবা মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু নমথনবা হোৎনবা লেপ্পা লৈত্রি । অমরোমদসু, মপান থোংদা নিংতম্বা মাম্বা, মুংদা মীথা পোম্বা লৈবাক মচা কয়া অমসু নিং তম্নবগী লান থেংনরি ।

চহি চা - চাগী মতমগী ঈচেন্দা চেম্থৱি লেপ্তুনা মীওইবা খুন্নাইগী পুন্সি ঈচেলসু; খুদোংথিবা, অৱাবা অমসুং নুঙাইবা কয়া'সিগা লোয়ননা । অসিগুম্বা লেপ্পা নাইদ্রবা ৱাথোক-লান্থোক কয়াগী ইখিন্না পুম্নমকপু, মায়োক্লবা ভম্নবা অতোপ্পা ইথিন কয়া অমসু মীওইবদা লী । অসুম্ন', পোৎথাফম থঙহন্দ্রবা মীওইবগী ৱাখল্লোন্না লেপ্পা লৈতনা হোৎনরকপদগী নাকন অমদা নু'ঙাইবা-চাউথৎলবা খুন্নাই অমনি চাওথোকচনিংঙাই; অতোপ্পা অমদনা, মালেম 'পুম্ববু মাঙহম্বা ঙম্বা নিউক্লিয়ারগী পাঙ্গল— মরক'সিদা মীওইবনা অৱা-নুংঙাই মরক্তা হিংলি পোৎথাফম থঙদন ।

২০ শুবা চহি চাগী অঙবদা জর্মনী, সাইন্স এন্দ তেক্নোলোজিদা মাঙজিন থাবা লৈবাক অমা ওইরম্বা, লোয়ননা শু-নোম্বা অমসুং

খুংশা হৈবগী থবক্তু থুমাঙ চাওখৎলম্ব'; অদুবু পাঙ্গল লৈরম্বা লানগী থুংগু-খুংলায় কল্লা চাংয়েং তৌনিংবগী ইথিনগা লোয়ননা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক কয়াবু খুদুম চন্নবা হোৎন্নরুবদগী মালেমগী লৈবাক কয়াদগী অপুন্বা পাঙ্গলগী মায়োক্না মায়থীখি অমসুং চহি কয়াগী ওইনা তুম্বা তাখি।

নিংতম লানগী মতুংদগী নিং তম্লবা আমেরিকান মশামক্না হকথেংনন লৈঙাকপগী থবক পায়রকপদ চান-থরুবগী অরাংপা, শুফম নোংফমগী অরাংপা, লৈবাক্কী শেল-থুমগী ফিভম ফত্তবা অসিনচিংবা কয়া মায়োক্নবা হোৎনরকপদা শু-নোম্বগী অচৌবা য়াওল অমগী মথাদা নিংখিনা ফিভম ফগৎহন্বা ঙমখি। লৈমায় অমদি লৈমুঙগী পোংথোক মরাং কায়না ফংবা লৈবাক অমা ওইবগা লোইননা মালেমগী অনিশুবা লাঙ্গাওগী মমুঙদা সাইন্স এন্দ তেক্নোলোজিগী লমদা খুদোংচাবা কয়া, য়াম্না হৈ-শিংনা লৌখিবা, মরম কয়া'সিনা ঙসি মালেমগী লৈবাক কয়াদগী থোইদোক হেন্দোক্ন ইনাক খুনবা অমা ওইবতা নত্তনা মাঙজিন থাবা চাঙখৎপা লৈবাক অমা ওইনা আমেরিকানা লেপ্তুনা লৈরি।

Man in danger always
thinks for the better.

অনিশুবা মালেমগী লাঙ্গাওদা জপান মায়থিবা ফংবতা নত্তনা অপুন্বা লৈবাক্কী পাঙ্গল লৈরবা "এতোম বোম" গী চৈনাগা লোয়ননা অৱাবা অমদি হায়নিংঙাই লৈত্তনা খুদোংথিবা নংখি। অপীকপা লৈবাক "জপান" বোমগী শাফুনা অমুক্না হেন্না পিকশিনহনখি। লৌউ-শিংউফম অমদি উমঙ-রামঙনচিংবা শুফম-নোমফম অয়াম্বা মী চঙবা য়াদবমখৈ মাঙহন-তাকহনখি। মী লিশিং লিশিংগী পুন্সি মাঙহনখিবত নত্তনা অহিংবা মী

কয়া শু-নোম্বা ঙমহনখিদে। চিঙ্গাক, শুকম-নোমকম, পোৎচাক অমদি মিন্নী অসিনচিবা কয়াগী অরাংশনা হিংনবগী লানকম্নদা লৈবাক অসি লৈতাকম থঙখিদে। অহুবু, অখাঙকবা, হোৎনবা কবা অমসুং নিংহম্নবা লৈত্রবা জপান্না শুম্নমক মায়োক্লরকখি। ঙসিগী চাওথংলবা লৈবাক কয়াগী মরক্তা মফম অমদি কল্লি — জপান।

নিংথৌরেল জারগী লৈঙাক মখাদা, মাগী তুংদা মহারানি জেরিনা অমদি সেনাপৃতি রুসপুতিন অনিগী, মপ্যাল লমগা লৌতুনবা লৈঙাকী মখাদা রুসিয়ান্না থাঙখিবা অমদি নংখিবা অরাবা, লোয়ননা নিংতম লান থেংনরিঙৈ শু-নোম্বা অমদি লৌউ-শিংউবগী থবক মপুঙ ফাহো-দবনা নিং-তম্নবা কাওবা রাথোক লানথোক কয়া থেংনবা তাখি। অনৌবা খোংথাঙদা অনৌবা য়াওল কয়া পুররুবা হোৎনবদগী হিরম থুদিংমক্তা কিডম কগৎহবা ঙম্লক্লে।

পাক-চাওরবা লমথৈগা শাগোম্নরক্লবা চীনানা চহি কয়া কানিগী ময়ায়দা লুপ্তুনা মপালগী ইমপরেলিষ্ট লৈবাক অমদি লৈবাক মন্নুঙগী খোঙলোয়শিং কয়াগী লৈঙাক মখাদা অরাবা কয়া থাঙলকখি। কানিগী ময়ায় মুংথৎনবা লাম্হৈনরব মতুংদগী মীয়ামগী নিং - তম্বা চীনা অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা চহি কয়া চঙখিবগা লোয়ননা থরায় কয়া কৎখি। ঙসিদি চিনা অনৌবা য়াওলগী খোংথাঙ কয়া লৌথৎতুনা মাঙজিন থা-রবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্ত অমা ওইরে।

চহি চা কয়াচুপ্পা বৃটিশকী লৈঙাক মখাদা লোইশম ওইনা লৈরম্বা ভারত, চহি কয়া চুপ্পা নিংতম লান থেংনহুনা মী লিশিং কয়া কয়াগী থরায় কৎগ্রবা তুংদা ইংশোক ১৯৪৭ কী তংথায় চল্লকপদা নিংতম্বা অপুবা ভারত অমা ওইরে। মতম কুইনা মীথা পোন্দুনা তুফক-তুকায়

চন্দ্রবা মীয়াম, শুক্কম নোমফম লৈতবা, শেল থুমগী ফিভম তাদবা, চিঙ্গাক্কী অরাংপা মায়েক্করিবা মীওই লিশিং কয়া, অমসুং জাতি, লোন অমদি ধর্ম্ম তিন্নদবা মীওই কাওলুপ কয়াগী "অপুন্বা ভারত" ওইরকপদা র'থোক লাম্হোক কয়াগা মায়োক্কনবা হোৎনরকপদ ভায়বিতৈ, খঙহৌদনা চীনানা লান তাশিল্লক্লে। মাগী-মা'গী লমখৈদা মরী লৈনবা লানফম অসিনা "নিংতম্বা অপুন্বা ভারত" কী পুন্সিদা ইহান হানবা লান ওইনা ভারত„ খঙপ্রেক খঙবগা লোয়না মিকপ থোকহনখি। খঙখি - মশাবু অকোয়বদগী ঙাকথোকচনবগী মতিক চাবা লান্মী অমদি খুৎশু খুৎলায়গী তঙায় কদবা। লৈবাক্কী মন্নুঙ অমদি মপান্দা থোক্লকপা র'থোক - লাম্হোক কয়া অসিনা যুম্ফম ওইহনা তুংগী ফিরেপ লৌবগী অচৌবা মচাক পীখি। অনৌবা রাখলগী খোঙথাঙদা য়াওল্লক্লুনা ঙসিদি ভারত র'থোক-লাম্হোক কয়া মায়োক্কবা ঙম্লক্লে।

„কোবৌ নোংনা ৱাংববা
পম্হৌ ইপানা মহেল্লিং
মালেম লৈনা লুম্বৱা
পলেম ইমানা মহেল্লি।"

মালেমগী লৈবোন অমদি লৈমায় কয়া য়েংলুরগা ইরৈপাক-ইরমদম "কংলৈপাক" কী লৈমায় অমদি লৈমায়'সিদা খুন্দা-লৈ তাৱিবা কংলৈচা-শিংদা মিংয়েং অমা থমসি —

কংলৈপাক অকুৎ-অতোঙ নাইবা, থেংন-থেংনক্কবা তম্পাক্কী শরুক খুদিং চীঙনা ইকোয় কে.ইশিন্না-উবা চীঙলৈবাক অমনি। চীঙগী শরুক্কা স্ক র কিলোমিতর ২০,৫১৩ অমসুং তম্পাক্কী শরুক্কা স্কার কিলোমিতর ১,৮৪০ অপুন্বা স্কার কিলোমিতর ২২,৩৫৬ ওইবা লমদম অসি সমুদ্র

লৈমাইদগী মিতর ৮০০ দগী মিতর ৩,০০০ কাওবগী অনেম-অরাং খেন্নবা মরম্মা মকম মকমগী ঈশিং-মু'শিং অমসুং অইঙ-অশাগী খেন্নবা লৈ।

অরাং নোংচুপগী নোংচুপকী চীঙ্শাং পরেং অসি নোং মরাং কায়না চুই, ময়াম ওইনা শাই। চাবা য়াবা মহৌশাগী ওইবা মনা মশীঙ মরাঙ্ কায়না হৌই। মরু ওইবা উহৈ রাহৈশিংগী মমুঙদা কোম্না, কিহোম, হৈজাং, লকোইনচিংবনি। উমঙ রামঙ মরাং কায়না লৈ। মরুওইবা উশিংগী মমুঙদা রাং, লৈহাও, উনিংথৌ, তন,তোলহাও, উশোয়, থাংজি, উমুং শয়ী,-কুহী অসিনচিংবনি। রা মথল কয়া মরাং কায়না হৌই।

অরাং অমদি অরাং নোংপোক্কী চীঙশাং পরেং নোংজু খর হন্থে; চাংচত্তা খর হেন্না ইঙই। মহৌশাগী ওইবা চাবা য়াবা মনা মশীঙ ফংবা খর রাৎলি। হৈথুম, চম্প্রা, হৈতুপনচিংবনা মরু ওইবা লমদম-সিগী উহৈনি। অরাংবা অমদি অইঙবা মকম কয়াদা উচাল মরাঙ কায়না হৌই। খর নেম্না মকমশিংদ লৈহাও, উনিংথৌ, উয়ুঙ, শহি-কুহি নচিংবা মথল কয়াগী উ ফংই। রা মথল কয়া ফংই।

নোংপোক অমদি খা-নোংপোক্কী চীঙশাং পরেং নোং মরাং কায়না চুই। অনেম-অরাং অমদি অইঙ অশা খেন্নবগী মতুং ইন্না খেন্নবা উমঙগী পোৎথোক ফংই। চীঙগু, মেক্রুক, য়াংঙৌনচিংবা মমল য়াম্বা উ নিংথিনা ফংই। অরাঙবা-অইঙবা মকমদা উচাল নিংথিনা হৌই। রা মথল কয়া হৌই।

খা-নোংপোক্কী খা-নোংচুপকী চীঙশাং পরেংশিং অশিসু নোংচু মরাং কায়না ফংবনা মথল কয়াগী উ ফংই। মরু উহৈ-র'হৈশিংগী মমুঙদা কিহোম, কোম্না, লফোইনচিংবনি।

মায়কৈ মরিমক্ত চাঁওনা কোয়শিল্লা, খা-রাংনা শাংলপ তৌবা তম্পাক্কী লম অসি য়াম্নমু ইঙবা, য়াম্নমু শ্নাদেবা লৌউ শিংউবা মফমনি। ফৌনা পাক্কশন্না থাবা অমত্তা ঙাইবা লৌউ-শিংউবগী পোংথোক্লি। পাং অমদি তুরেলগী শক্লক লৌথোকপবদি শিজিন্নবা য়াবা লম ইন্নাম্ন য়ামদে। ঙা-চাক ফাবা অমদি মুঙচাক-লৈঙোই থর লৌবা নত্তনা তুরেলশিং অসি চংথোক্ক চংশিন্দা খোইদোক্কা কান্নবা পীবা ঙমদে। পাংশিংদা ফংব ঙা অমদি ঈশিংগী মনা-মশিঙনা অকোয়বদা তাবা মীশিংগী শেম্লোক লম্বী পী। তম্পাক লমগী অপুন্বা ওইনা য়ে লুরগদি শেম্লোক লম্বী রাংপনা লায়রে। খেলহৌঙৈদগী হৌনা লৈবাক'সিগী ময়োল ওইয়কপনা চাঁও-তম অনিমক্কী কৈথেল ওই। শিজিন্নবা খুংসু-খুংলাই, কোন-লিক অম্নিচিংবা খুং-শা হৈরুগী পোংথোকফম্নী।

'কংলৈপাক' নত্রগা 'মৈত্রবাক' মণিপুর কৌদ্রিঙৈ, চহি লিশিং কয়াগী মক্তাঙদগী নিংথৌশাবা, নিংতম্বা লৈবাক অমা ওইরকই। নিংথৌরোল কয়াগী মতমদা চাঁও-তম চাক্লৌ-মৌরোমহনা লৈজিনরকপগী খুদম কয়া লৈগি অমসুং পুয়াশিংগী লাইরিক কয়াদা ইরি। চাঁওগী নিংভোল কয়াম লৈমরোন (কংলা) দা লৈমরেল ফমথোল কাহনা লৈঙাক-শক্লক য়ারবা অয়াবা ম্নারী নংভে। খেলহৌঙৈগী পুয়াশীগা শাগোন্নরক্লবা চাঁওগী খুল কয়া ঙসি ফাওবা পান্দুনা লৈরি। লৈবাক অসিগী চাঁও তমগী মফম কয়াদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংনা অমনা অমবু নমথনবা হোৎনবনা মুয়থংনবা লৈবাক্কী নিংথৌ কয়াগী মতেং লৌমতুনা লানথেংনবা অমদি চাক্লৌ-মৌরোমতুনা মরূপ মপাং ওইনরবগী মরম কয়াযুক্তা কর্ম্মা, চাঁও অশায়বাচিংবা লম কয়াগা মরী লৈনরবগী খুদম কয়া লৈরি।

অরাং-নোংপোক চীঙশাংদা খুন্দা-লৈতারিবা মীওই কাঙলুপ অসি য়েলহৌঙৈদগী শাগোয়না খুন্দারক্লবা কাঙলুপ্নি হায়না লৌনৈ। লাই-হরাওলোন্দা উৎতুনা তাক্লিবদি মকম'সিদা খুন্দারিবা কাংলুপ, নোংচুপ চীঙশাং অমদি তমদা। তারিবা কাঙলুপশিংনা চারৌ-মেরৌনদুনা খুঙ্গাও-লৈচাওনবগীদমক চাদ-নাওদ শন্দোকমিন্নরকই হায়বসিনি। চীঙমায়দা পাম হাইদুনা লৌউ-শিংউবা অমদি উমঙগী পোৎথোক পুথোকপনা মরুওইবা শিনফম ওইরকই। নাৎকী ওইবা খ্বাঙদা শাবা ফি য়াম্না পাম্নবা মমিং চৎপা ফিনি। উমঙ-রামঙ য়োক্নুনা মচেৎ মচেৎ ওইনা শিজিন্নবগী চৎনবী লৈবা অমসুং য়াম্না তোয়না য়ুম হোংবগী চৎনবী কয়া লৈতবা কংলুপ্নি। খুনপাল্লিবা মকম অদুগী চাওখৎ-থৌরাং তৌবা অমদি লম্বী থোং শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্ত পুক্লিং থিংজিন্না কাঙলুপ্নি।

অরাং-নোংচুপ অমসুং নোংচুপ চীঙশাং পরেংদা খুন্দা-লৈতরকপা মীওই কংলুপ অসিশু য়েলহৌঙৈগী মীনি লৌনৈ। কাংলুপ অসিসু মথক্তা কাঙলুপ অসিগুন্না খুঙ্গাও-লৈচাওনবগী রাখল চেম্বা কাঙলুপ্নি। চীঙ অমসুং তম অনিমক্তা খুন্দা লৈতারকপগী থুদম কয়া লৈবগা লোয়ননা অরিবা পুরারীগী লাইরিক কয়াদা ইদুনা লৈরি। তম্পাকী মফম কয়াদা য়েলহৌঙৈদগী খুনপাল্লকপা ওসি ফাওবা লৈরি। মরম অসিনা চীঙ অমসুং তম অনিমকী লৌউ-শিংউবগী হৈনবী লৈবা কাঙলুপ্নি। লৌউ-শিংউবা অমদি উমঙগী পোৎথোক পুথোকপনা মরুওইবা শিনফম ওইরকই।

খা-নোংপোক অমসুং খা-নোংচুপকী চীঙশাং পরেংদা য়েলহৌঙৈদগী অপিকপা কাঙলুপ কয়ানা খুন পান্দুনা লৈরক্লবসু তরাশুবা চহি চাগী মতুংদগী পোং কাঙলুপ্না লমদম'সিদা খুন্দাবা হৌরকপদগী অরেপ্পা লৈতনা চাদ নাওদশিংনা অহাঙবা, খুদোংচাবা মকম কয়াদা খুন্দা-লৈতা

য়কপদগী কুনশুবা চহি চা অসিদদি পুন্না পানমিন্নরে । লৌউ-শিং-উবা অমদি উমঙগী পোংথোক পুথোকপনা মরু ওইবা শিনকন্নি । অতেঙা মতমদা মহৈগী পোংথোক ফংবা, শাম হাইদুনা পাক-শন্না থাবা য়াবা হৈ-রা থাবগী হৈনবী লৈবা কাঙলুপ্নি । কাঙলুপ অসি য়ুমহোং তোয়গন্নি । উমঙ শেমগৎপগী হৈনবী কয়া লৈবা উদে । মরম অসিনা উমঙ কোকহৃবদা অচৌবা মত্তেং ওই ।

"Renewal and Change are the only Constants of life; We have respond to them." (*Indira Gandhi, That Woman*)

নিং-তম্লিঙৈ, খোঙদগী সনা, লুপা, য়োং, কোরি, পিথ্রাইনচিংবা লৈহুংগী পোং কয়া লৌদুনা শিজিন্নরকই হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদা শিজিন্নরম্বা খুৎশু-খুৎলাই, লিক-কোন অসিনচিংবনা খুদম্নি । থুম লৌরম্বা থুমখোং কয়াগী মমিং ঙসিফাওবা পন্নরি । চীঙগী পামদা লশিং থাবা, মন্নুনা তমদা পুবক্লগা লং নাইদুনা য়োম্বা অমদি ফিশ'-লোনশা তৌবা লমদম অসিগী নিপীশিংগী তৌদবা য়াদবা শিনকম অমা ওইরকই । লংথোক তিন য়োক্নুনা অরু অনানগী ফি শাবা অমদি লোম্বা হৌজিক ফাওবা মমিং চৎলি । চান-থক্রবা, শেৎন-ইন্নবা, খুৎশু-খুৎনাইনচিংবা কয়াগী পোংথোক্কা অতুক হান্না মীপাল তাংলুদনা হিং-লকপা খুন্নাই অমনি ।

তরাতরুকশুবা চহি চাদগী লমদম অসিদা হিন্দু ধর্ম্মগী মশা কয়ানা খুন্দা লৈতাবা তৌরকপদগী চীঙমী-তম্মী অনিগী মরক্তা অমাঙ-অশেংগী চৎনবীনা তংখায় থায়দোকপশুম তৌরকখি । বঙ্গালিগী চৎনবীনা চয়েৎনদুনা লমদম অসিগী খুন্নাইগী শাজৎ-লীচৎ অমদি লাইনিঙ্-লাইশোন

তুমক-তুমক্তাই চল্লকখি। থর্ম অসিনা লৈমায়োন্দা মপুঙ ফানা লৈহৌরকপদগী খুন্নাই অসিগী মরক, সাইন্স এন্দ তেক্নোলোজিগী অমদি রাংঙ্লোনগী লাইরিক করম্ না লৈরে। চিঙথক অমদি চৎনব-লোমচৎনবিংবা করাদা অসিবা থবকপদগী মৌরম, লিংজেল, য়াথংলাম্বচিংখা করাদা কাসিগী মরাহনা পাংখবা শাত্ত অমশাগী পাংথক ওইরক্লে। হায়রম খুদিং মীথা পোম্বগী হৈনবী ঈচেল অমা শাক্ত কমা চেখ হৌরকখি।

য়েহেলীউভেদগী চারো-মৌরৌনহুনা চায় চিন্নবা লৈমিন্নবকপা চাউমী-তম্মী, অরাঙ-অশেংগী মখাদা শয়বা য়াদবগী পংথে অমনা খাজিন্দুনা অনিগী লৈনরম্বা মরী ইতৎ-তৎলবগুম তৌহনথি। মীগী মরক্ত অরাঙ-অনেংমু নাইবা ধর্ম্ম অসিগী চৎনবী অসিনা পেন্দবগী ইচেল অমদি শিংলিদা চেন্দুনা লৈহৌরে। মসিমক চাউমী-তম্মী অনিগী মরক্ত লৈনরম্বা থাজবা অমদি নুংশিনবগী লিপুন অমু ককথৎপগী মরুওইবা মরমি।

ভরামাপাল ওবা চহি চানা লোয়রকপদা লোয়ননা ব্রিটিশকী "লোইরম" অমা মপুঙ ফানা ওইরকপদগী খুন্নাই'সিদা অনৌবা য়াওল অমা লাক্লে। খোঙদগী লৌরবা পোংথোক লৌথিরে; খুমথোং কয়া মিংকপ থোক্তুনা তুমখ্রে। লৌউ-শিংউবা, খিশা-লোনশা অমসুং মংৌশাগী ওইবা উমঙগী পোংথোক খরা নত্তুনা পুম্নমক লুপখরে। সাইন্স এন্দ তেক্নো-লোজিগী মতাল অমা খোংদ'রকপদা লোয়ননা ঙ-নোম্বগী অনৌবা য়াওল অমা লাক্লে। নোংচুপকী চৎনবীনা খুন্নাই অসিদা মকম অমা পাক চাওনা কয়া হৌরক্লে।

তুমতুবা চহি চাগী তংথায় চল্লকপদগী ব্রিটিশকী লোইলম থাদোক-লকপদা লোয়ননা নিং-তম্বা "অপুবা ভারতকী" মচুঙ চমবা লমথে ওাকপা লম অমা ওইরক্লে। য়াম্নবা ভারতকী মীশিঙ, চমা হেবা

লাইরবা ক্লিশিং কয়া, মশাগী ওইজবতা য়েংবা শেঙাও পায়বা লল্লোন-বশিং, হৈ-শিংলবা রাজনিতিগী লুচিংবশিং অমদি খঙ-হৈয়বা লৈঙাক-পশিং অসিনচিংবা কয়াগা, কংলৈপাক্কী তুক্কক-তুফাই চল্লুরবা, শিনকম কয়াগী হৈথোই-শিংথোইবা য়াংলব মীশিংগা অরৈ-চৈত য়েন্নতুনা চামিন্নবগী তাঙ্গা অম লাক্লে। চহি চা কয়া শুমহৎলাই চুত্থনা লাক্লবনা কংলৈ মীয়াম করিনো খঙহৌদনা "নিং-তমলে" হয়াঙনরে।

"মীখা পোনবা য়াখল,
অতোপ্পদা তাংহুনভা লৈ"

নিং-তম্নবা ভারতকী ইউনিয়ন টেরিটরি অমগী হৌনবী মতুংইন্না চিফ কমীসনর অমদি দিপুতি কমীসনরগী পাওতাক মতুংইন্না কংলৈ-চাশিংগী মীহুৎ এদভাইজার খরগা লোয়ননা মীয়ামগী লৈঙাক হোরে। লৈবাক্কী শেন্থুমগী ফিভম, পোংথোক চাথোক মহৈ মশিং তম্বা, লম্বী-থোং অসিনচিংবা থবক থোরাঙ কয়াদা কেন্দ্র সরকারগী মীহুৎশ্রিংগী পাওতাক মতুং ইল্লে। কৌট্টি-শিংউবগী অমদি উটাংগী পোংথোক খরসি নত্তনা অতোপ্পা শেম্ফোক লম্বী লৈত্রবা জমদম অসি ভারতকী কম্পানী কয়াগী মচৌরা পোংয়োনকম অমা ওইরক্লে। মকোক থোংবা লৈঙাকপশিংগী তুংইন্ননা হৈশিংলবা অল্লোয়া কয়া থুংলখি অরদমসিদা। জমদম অসিগী মীওইনা খঙবা-খঙদবা পোং-চৈ কয়া পুখি, কয়া অমা পুশিন্নকই। পুখিবা পোং-চৈশিংগী মতুঙদা লমিং মরক কাওবা য়াওখি। বৃটিশকী লোইনম ওইরম্বনা ভারতকী মফম কয়াগী পুশিন্নক্লিবা পোং-চৈ কয়া মথক খঙরদা

অমস্তুং শিজিন্নবগী হৈনবী তম্বদা খোইদোক্না লুনা খোক্রে ।

চাবা-থকপদা মীপাল তাংলমদবা, লমদমশিগী পোংথোক্ন ফিজেং-ফিরোল থোল্লম্বা পুম্নমক তোকখ্রে । মশাগী পোংথোক লৈরক্রুবনা নোংমগী ইমুঙ অমদা চঙদবা য়াদবা পোংচঙশিং মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাইহুনা লৈরে । হিংননবগী পোংচঙ কয়ানা মীপাল তাংলক্লবদা রাখলসু মীপাল তাংলকপা হৌনশানি । মশা মরোমদোম হিংজনবগী রাখল মাঙলক্লে । মশাগী পোংথোক কাওশিল্লক্লে, শিজিন্নবগী হৈনবী লৈবক্রে । থুমখোং কয়া লৈতানা তুমখ্রে, ককচিংগী য়োংকী খনি লৈবোন চনখ্রে, চীঙগী লমদা লশিং হৌখিদ্রে । থবক অমদি শিনফম কয়া পোংথাবা ওইনা য়াওল্লকপদা পোংথোক কয়া'হুগী মহুৎশিন্বা ওইন লৈশিন্বা তারক্লে । পোং-চৈ কয়া অসিদি লায়রদনা মহৌশাগী ওইবা "নুংশিব", "থাজবা", "হিংব" অমদি "শিবা" ফাওবা মপালদগী পুশিল্লকপা ঙাইহুনা লৈনরে ।

"ইরোইনা লৈওল্লগা হৌনান লৈখোম তৈ"

" নিংতম্লবা অপুম্বা ভারত ", মীয়ামগী লৈঙাক চংলে । কংলৈপাক (মনিপুর) টেরিটরিয়েল কাউনন্সিলগী মহুৎ লেজিসলেতিভ এসেমব্লিনা শিল্লে । চিফ কমিসনরগী মহুৎ লেফতনেন্ট গভর্নরনা শিল্লে । মহাকী পাওতাক মখাদা মীয়ামগী মীহুৎ লুচিংবশিংনা লৈঙাকপগী থৌদাং লৌরে । মতম কুইনা মীথা পোল্লরগা নিং-থা তমলকপা " অপুম্বা ভারতকী " ঙমখৈ ঙাকপা স্টেত অমা ওইরক্পগা লোয়ননা, ওইজবা কয়া থাদোক, লৈজব পুম্নমক কংথোকলুবগী মহৈনা ঙসিদি পিরুবা লমদম অসি থৌদোক-রাথোক কয়াগী য়াতাফম ওইররে ।

য়ুমথংনবা লৈবাক বর্ম্মাগী রাজনিতিগী য়াওল অহুগী মহৈ ওইন লাক্লেল্লকপা লিশিং কয়াগী চংজফম পীহুনা অরাবা শরুক য়াবত্তা নত্তনা বর্ম্মা মনুংদা লৈরিবা ভারত মচা কয়াগী তেংবাংনবগীদমক "ক্যাম্পগে লমজাও" মফম থংখিদবা, গুসি নিং-তম্নবা, বঙ্গলাদেশকী নিং-তম লান্দা লাক্লেল্লকপা লিশিং কয়াগী অরাবা শরুক য়াহুনা চংজফম পীবা অমসুং ভারত-নেপাল মরুপ ওইনবগী নেপালি লিশিং কয়াগী শাইদাংফম পীবা, ভারতকী অচৌ-অচৌবা স্তেত কয়াদগী চাক্তারবা লিশিং কয়াগী চংজফম পীবা অসিনচিংবা কয়াসিনা মরম ওইহুনা পীরবা লমদম অসিদা লৈমায়গী, শেন থুমগী থিভম, মীয়ামগী পুন্সি অসিমচিংবা বয়াদা থিভম শোকচিল্লক্কুদা মীপাল তাংবগী মপুং ফাবা য়াওল অমগী মতম পীররে ।

মনিপুর (কংলৈপাক) জিলা নিপাল, এসেমব্লি কন্সতিত্যুয়েন্সি হুমফু খাইদোক্লুনা মপুং ফাবা স্তেতহুৎ পীবে । লেফতিনেন্ট গভর্নরগী মহুৎত গভর্নরগী পাওতাক মথাদা মীয়ামগী মহুৎ হুমফুনা লৈঙাকপগী থৌদাং লৌরে । চহি খরসিগী মনুংদা সবকার কয়ারক হোংখ্রে, গভর্নর কয়ারক শিনখ্রে, অহুবু মীয়ামগী কোক্ত থাঙৎলিবা পোৎলুম অসিদি হেন্না-হেন্না লুমশিল্লকপা নত্তনা পোৎলুমগী চৈনাদি থক ফগৎলকপা লৈতে । অনৌবা লৈঙাক্লোন অসিগী তুংইন্নরকপা "শেঙ্গা-থুমজা অমদি অচান-মীরায় নাইবা" গী চৎনকী অসিগা ইরোয়ননা মীপাল তাংবা অমসুং মীতৌ তম্বগী ইচেলগী শাফু, হেন্না হেন্না কনশিল্লক্লুনা ইনাৎ, লমচৎ-শাজৎনচিংবা 'পুম্বা মাঙশিল্লকপদ নত্তনা থুন্নাই অসিগী হিংনবগী লম্বী মাংথিবগুম তৌরক্লে ।

'হিংবা' অমস্তুং 'শিবা' কাওবা মীপাগী তাংথুম্বা লৈরবা খুন্নাই অশিনী মীচং, মুচিংবা অমাস্থ খুন্নাই অশিনী মীনি ; খুন্নাই অশিনী অন্থুক্লবা বারল অহুমক লৈশিন্নবা তারম্বি । মীপাগী তাংবগী ময়ায়ম্না কুপশিন্নবা ওইরবগা য়াবা ফুংগী ক্রিয়েপ খণ্ডহো-উহৌরবগা ওসিদি খুন্নাই অশিনী চহিদা মচা তম্বামাখোইদগী তাদনা পোকপি মমা ওইবীশিংনা খোদোক-বাথোক কয়াশিনী মক ওইরক্লে । অরাবা শরুক য়াবরা হৈনজবা, রাকৎলস্তু হৈজদরা অমস্তুং নিঙাই তৌবস্তু ইকাইজবা খুন্নাই অদি "য়ুমদাংবনা কৈনাবা য়ুমবুনা কৈমুৎপ"গী থাক য়ৌরবা ফিভম অসিদা লৈরয়ে ।

"অশোয়ববু তুহৎপা" মীওইবনী হৌনশনি । হিরম খুদিং মীপাগী তাংলে খণ্ডলবনা মাগী মাগী মরমদম, মজাতি অমদি মচা- মগুগী য়াইফনবনীদমক চাক্লাকম মুংঙাইবা মকম অসিদা খুদোংচাবা কয়া লৌনরয়ে । মীপাগী তাংবগী অরা-মুংঙাই চৈথেংনা অকবা চৈনা পী- রক্লবা মতম অসিদদি খন্নরক্লে "করিনো তৌগদবা"? মনিপুরগুম্বা থাক নান্নবা স্তেত কয়া ভারতকী স্তেত ওইনা লৈ । "ইন্নর লাইন প্যার্মিত" নটিংবা মশাবু কঞ্জনবা খুৎলায় কয়াগা শাগোন্নজে । অহুবু মনিপুরগীদি চৎনবী কয়া লৈরমলবস্তু চৎনখিদ্রে । মতমচানা লৌহৌগদবা চেকশিন-থৌরাং কয়াস্তু লৌহৌদ্রে ; রারক্লবা মতমদা মীওইবনা শেম্বীরা মপুবু নিংশিঙনগুম খুদোংথিবা মতম লাক্লবা অসিদা "হুন্নানবা মতুং মৈরিংবা, মৈচাক মতুং পুথ্রি তৌবা" হায়নবগুম, তৌকম খণ্ডদনা "অঙাওবা মশেল পোনৈ" হান্নবত্থু খোক্লে । কাওনরক্লে থম্মোয়দা নিঙন্নদরা খিঙেল লৈবনা। নাচিথোংনা ঈচেল তম্বগুম ঙাংঙু পল্লুবনা চৈতুপ চাক্লে ।

“শা চেনবগা হুই চিক্লে”

চীং-ভম অনিগী মরক্ত ধর্ম্মগী চৎনবীমা অচৌবা পাল অম ওইবগুম তৌবত নত্তবা চৎন-পথাপ অমগী মথাদ চীঙদা তম্মীনা খুদা লৈতাবা য়াদবা, পীক্লবা তম্প্যাককী লম অসিদনা অথিংবা লৈতবা, য়াহৈগা য়াহম্মোক মায়দবা চৎন পথাপ অমিনা করি মহৈ পুরক্লদবা ৮ ।

ইমালোন থক নত্তনা, মালেম'সিদা ভাওন-শক্তরিবা লোন অনিগুনা খওজ-হৈজদবা লাই ওইরবা ইপা-ইপুশিংনা অচম্বা পাঙ্গল, অচম্বা থৌনা, অচম্বা লৌশিং, অচম্বা খুৎলায়, থাঙ-তা অমসুং চিন-গী অচম্বা লৈভাক্রোম্না ভাক-শেন্দুনা থম্মীরম্বা 'ইরৈবাক', লাইরিক লাইগু অমদি রাজনিতি হৈরবা অমসুং চাউথংলবা মতমগী খুৎথু-থুলায় পায়রবা ইরৈবাক চাশিংনদি শম্বল ফাওবা থিংবা ভংজদবা লাইরৈবাক্ত ইপা-ইপুশিং মিংলুনগী পীরাং শিন্থরমম্মনি । লৈময়োন্দ ফম্বাল মুম্নরিবৈ, পাঙ্গল লৈবা তাম্নরিভৈ, মীপাল তাংনবা হোৎন-রিভৈ, শম্বলগী রাখল তৌহৌদবনা লমথৈ থঙত্রবা 'ইঙ্খোল' কা থোং চাইবে । হোৎনহৌগদবা মতমদি চৎপ্রেদো, ফাদোক্তুনা ফারা শারব মতম অসিদদি মশেল মক্ত নাইথু থম্মরক্লে খুৎ থোক্লরক্লে ।

মাঙজিন থাবা লৈভাক লুচিংবশিং, মীয়ামগী মীহুৎ লুচিংবশিং অমদি রাজনিতিগী লাম্লোয়শিং কয়ানা “গনতন্ত্র”গী অহাম্বা পারা তন্ন-কপদা মীপাল তাংবগী পোরম ভুংহৌদত্থনা মহারথী অভিমৈন্যগী পাংথক ওইরবে । মতমম্মু হৌখ্রে. মীয়োলম্মু চংখ্রে, অহৃবু রাথোক লাম্থোকী পোরমদি লেংদনা লৈহৌরে । ব থোক-লাম্থোক কয়া থোক্লিবমথৈ পোরমগী ভমথৈ নাইদে । মীয়ামগ - মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন থুম ভাকপি শেমীক্লিবা কাভবুগা, মীয়ামগী মরক্ত মশেল

থুংথোক্লবা, থরূম থম্নবনচিংৰা কয়াসি "সিমা কাঙ' সিমা চাবা" মরূম কোবীগী পোরম মমুঙচল্লি। অপুম্বা ভারতকী স্তেত অমা ওইনা মশা কজনবগী পোথী-পোরম কয়া কাঙহ্নবা মাঙদা তাহ্নবা লৈরিবা রাথোক-লাম্থোক কয়াসি মায়োক্লহ্নবা লৈবাক, মীয়াম অমসুং চাম্মোল-ঙম্নোনবু কম্নবা হোৎনবা মতম ওইদ্রিবরা ?

কানিগী হৈনবী ময়ায়না পংথহ্নবা চীনানা শাংলবা চহি কয়া তুংখিবা, শাথীরবা ময়াই কাব'হুগী হৈনবী মুৎথনবা হোৎনবদা চহি কয়া চঙবগা লোয়ননা কয়া অরাবা ওইখিবা, ঙসি ফাওবা চীনাগী মীয়াম্না নিংশিঙনরি। মীপাল তাংবগী হৈনবী ময়াইনা ইশাগী ইথৌ ফাওবা কাওথোকহল্লবা থুম্নাই অসিদগী হৈনবী অসি থাদোক্লবা হোৎনবদা অরাবা কয়া লৈরবসু, চাউথৎলবা মীওই থুম্নাই মরুক্নিদা মীওই থুম্নাই অমা ওইনা হিংবা তারবদি মসি থাদোক্কুনা মীমাম্নবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিদি থুম্নাই ঙসিগী ভৌকম থোকপা মথৌনি।

পীক্লবা স্তেত ওইজরবসু, য়েলহৌভৈদগী কাঙলুপ কয়ানা পুম্না থুন্না লৈতামিন্নরকপনি। চহি চা কয়া ধর্ম্ম' নিতিদা মীখা পোল্লকপা, চহি কয়া অমনা লোইরম ওইনা লৈরুবনা কাঙলুপ অমনা অমবু পেনন্দবগী মচাক কয়া খঙহৌদনা ফুমহ্নবা লৈখিবা, ধর্ম্ম শন্দোক্লবগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক কাংলুপ্ থরদা পীরম্বা খুন্দা লৈতাবগী খুদোংচাবা কয়াগী চৎন-পথাপ, পীক্লবা স্তেত অসিগী মঙুংদা পানমিন্নরকপা কাঙলুপ মশেল মরক্ত, কাঙলুপ খরনা হেন্না খুদোংচাবা ফংবা, কাঙলুপ অমনা উতোং অহোবদা ঈশিং শোকপা অসিনচিংৰা পোরম কয়াদ ঙসিদি পেন্দবগী ইহৌ লাক্লে।

"খোঙ্‌জাই শৎলিচৈদা বয়া রাই"

লমদম অসিগী মীয়াম্না অমদি সরকারনা করিগুম্বা অমদি ভাই-না উই । মীয়াম্না ভাইরিবসি — সরকারনা মীয়ামগী অমদি চারোন গুরোনগী য়াইক-লম্বী অমা শেম্নকপা ; সরকারনা ভাইরিবনা কেন্দ্রনা মচাক পীরকপা, মসি ওইবা তাই । কেন্দ্র সরকারনা পীরকই য়ামদে, লোইথোকখি ; কোয়দে । কয়া য়াম্না কয়া কুইনা ভাইথিদোরি -খণ্ডদে । তানফম থোকপনি তাল্লি, মীয়াম্না অমদি কর্ম্মচারি-শিংনা; পীরকই সবকারনা-"পীকম থোকপা পীগনি "হায়বগী "থাজবা, পীফম থোকপা পীদ্রে, ষ্ট্রাইক কয়া তৌই, 'বাজার বন্দ মনিপুর বন্দ কয়া কৌই । মতুনা হৌজিক্কী চম্না তাণ্ডবশিংদা হেন্না লাইর তান-শিন্নবগী চৈনা কয়া পী । অতুবু অরাবা কয়া নংতুনস্থু খাঙজে লাইরবশিং "মীয়ামগীনি' খন্দুনা । নিং-তম্নবা ভারতকী আইন-কাংনুন চঙদে, -"করপসন' দা ; চৈরাক পীগদবগা ফংগদবগা অমত্তনি ।

খঙদবদি নত্তে, মনিপুর সরকার - লাইরবা মীয়ামগী মীপাল তাংবা লৈবাক্নি হায়বা । লাইরবা কোরুবা থবক-থৌরাঙ কয়া পায়খৎতবস্থু নত্তে, অতুবু লাইরবা কোক্তবদি লাইরবননি । মীয়ামগী অপাম্বগা সরকারগী থৌশিনগা মান্নদবনা অনিগী মরক্তা অচৌবা পল অমা লৈবগুমই । অরা-অনা মায়োক্নতুনা মপান্দগী চেল্লকপা লাঙ্গেন-লোয় কয়াগীদি তেংবাংনবা চীঙ-তম অনিমক্তা লম থম্লি, তেংবাং-শেলস্থু তুংশিল্লি । তৌইগুম্বস্থুং, য়েলহৌচৈদগী লৈরক্লবশিংগীদমক্তি মানা মানা থোকপা তৌজগদবনি চৎন-পথাপকী মখাদা ।

অরেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা মীশিঙ শেম্থোক লম্বী রাংশিল্লকপা হিংবগী নিং-তম্বা মাঙশিল্লকপা, অময়োমদা, নোংমগী ইমুঙ অমদা

চঙদবা য়াদবা পোৎ-চৈগী মমল মনিং তৌরকপা অসিনচিংবা কয়াসিনা লাইরবা মীয়াম হিংনা-হিংনা ফুমগদৌরে । লৌউ-শিংউবা য়াবা তম্পাক্কী লম কয়াদা সরকারগী লোয়শঙ শাজিন্ন, লমহাং কয়া সিফাইশিংগী লৈরুম কমশিন্না, লৌউ শিংউরিবা লৌফম কয়াদা পাক শাংলবা কাম্নদবা জোখোং শেম্নজিন্দুনা মাঙহন্বা, অমরোমদ তম্পাক্কী মরোন্দা লৈরিবা সরকারগী লোয়শঙ কয়া শাবা য়াবা, সিফাই লৈহন্না য়াবা চীঙ মচা কয়া অসিদনা ফোরেস্তকী উপ্লাল থাবা, অসিগুম্বা খৌরাঙ কয়া অসিনমক চাথোক হন্নহন্বদা অচৌবা মতেং ওইহল্লি । অরাং-অপানা থল্লবা লম অমদা মরাতপা পান্না ওইথোক্কে ।

রাথোক—লাম্থোক কয়া'সি কোক্ননবা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাঙনা করি, মফম্না কদাইদ, শেলনা কদায়দগী অমদি পায়খৎকদৌরিবনা কনানা—? খঙজি ঙাইরিবনি । সরকারগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎলকপা মীয়াম্না ঙাইরি , অমরোমদনা মীয়ামগী ফিভম ফগৎলকপা সরকারনা ঙাইরি । মীগী অরাবা উরগা-তারগা থম্মোয় শোক্না মুংঙাইজদবা লৈবাক-মীয়াম, পাংজে—অঙম্বা মতেং মশাগী অরাবা কাওথোক্নুনা । অমুম্না, ঙাইনা ঙাইনা, অরাবা কয়া খাঙদুনা পাংবা ঙম্বা মতেং কয়া পাংদুনা হিংলি মীওই খুন্নাই অমনি চাওথোকচদুনা । মফম খঙদনা ঙাইনরিঙৈ, তাক্নমদনা চৎথিদুনা; খঙহৌদনা খুন্নাই অসি লৈখাঙ চাথিবমক য়ারি ।

মথক-মথা ওনগ্রে—শম্বল য়াওদ্রবা 'ইংখোল' লৈময়োন্দ খুদোংচাবাগী নকসা য়েক্লিঙৈ । অউবা অতাবা কনানা লাওজে, খোংজে-তাজে কনানমক তাবিদে । কন্না হায়জিল্লুরবমক মথৌ নত্তে হায়দুনা "গধাগুম লীচৈ চায়" । মীপাল তাংদুনা মশাগী ওইজবা লৌনবগী রাখল তৌয়িঙৈ, নিংশিঙবা ঙমদে-ইরমদম, খুন্নাই অমদি চারোন-

গুরোনগী ফিভম । 'মীয়ামগী সরকারনা মীয়ামগী ওইরক্লিবা অমদি ওইরকদবা ফিভম কুপ্পা য়েংশিন্দুনা য়াইক-হুন্ডাইব খুম্নাই অমা পুইহল্লবা খুজিল-খোরাং কয়া তৌবা হাপ্রবসি সরকারগী লেংফত্রবা মথৌনি । মীয়ামগী হিংননবগী লম্বী উপক্রুবা, অরাবগী পংথে য়ৌরক্লবদি মীয়াম অমদি সরকার অনিগী মরক্তা অচৌবা লানফম অমা থোকনবা হায়বসিদি মশানা তাবনি । খুম্নাই অমনা হিংবগী নিং-তম্বা ফংলক্তুবদি নিং-তম্না হিংবা গুম্নবগীদমক নিং-তম খোঙ্লাও থোক্লকপা অনৌবা রাফম অমা মংত্রে ।

ঙসি মনিপুরদা থোক্লিবা রাথোক-লান্থোক কয়াগী মনুঙদা খ্বায়দগী চাওবা অমদি অরুবা ওইরিবা " লান্লহোবগী ইরাঙ " গী রাথোক অসি " নহারোলগী ইহৌ " নি হায়না লৌনরি । তশেংবদি নহারোলশিংগী ইহৌ ওইফম থোক্তে । হিরম খুদিংমক্তা মীপাল তাংহল্লকুনা অরাং-অপাক্তনা থল্লবা লমদম অমা ওইহল্লবত নত্তনা 'হিংবা' অমদি 'শিবা' কাওবা মীপাল তাংলকপনা " রোমান্টে শ্লেফ " কুম হিংবগী মহাও খঙদবা পুন্সি মহিং অমা ওইহল্লকপা লোয়ননা হিংবগী নিং-তম্বা মাঙহল্লকপা লৈঙাক অদুগী মহৈ অহুনস্থু অচৌবা মচাক অমা ওইনা ইহৌ অসিবু শোঁগৎলি হায়বসি মীয়ামগী লুচিংবশিং অমদি লৈঙাক লুচিংবশিংনা মশাগী ওইজবা মাঙশিনি খন্দুনা থৈখোকপা অচুম্বা ওইরোই ।

থোক্লকপা রাথোক লান্থোক কয়াবু নমক্তুদা নমশিন্দুনা হুম্বা হোৎনবনদি মরাতপা পাম্বা লৈবাক অমা ওইথোক্লোই । অনাবা মশক খঙদনা লাইওংদা লায়েংবনা অচুম্বা ল'য়েং ওইফম

থোক্তে। মীওইবা খুন্নাই অমসা মশাগী ইকাই খুম্নবা ওাক্লা হিংবা ওমস্তরবদি অতোপ্পা খুন্নাই অমনা ইকাই খুম্নবিকম থোক্তে। ইশানা ইশাগী ইকায় খুম্না ওাক্ল হিংবা ওম্নবগীদমক সরকার অমদি মীয়ামগী মরক্ত অফবা অমমি নক্রবা মরী খম্নহুনা অমনা অমবু ইকাই খুম্না থবক-থৌরাং কয়াদা শরুক য়ামিন্নসা হিংমিন্নবা মথৌ তাই। চিন্দনা অমৎত ওইবগী মওং, পুকমুওদমা নাকন অমত্ত থেংবগী থৌওংনদি কাওলুপ কয়ানা পূম্না পানমিন্নবা লমদম অসিদ মন্না ওপনা ইওনা পানমিন্নবা কৈদৌমুওদা ওইথোক্লোই, কাওলুপ ইরাং শাগৎপা ওইনা থোকনি।

"চক্‌ফু কায়রগা কাক্লা হরাওই"

মান্নদবা, রাজনিতি কাওলুপ কয়াগী রাখল মান্নদবা কাওপুপশিংগী মীয়াম, তিন্নদবা ধর্ম্ম কয়াগী মীওই কাওলুপ কয়া ইনাকখুনবা কয়া, লাইরবা কয়া, মীপাল তাংনিংবা কয়া, তাংনিংদবা কয়া অসিনচিংবা কয়া'সিনা পুনশিনবা খুন্নাই অসিদা অমমা ওাওবা অমনা তাদে। অমগা অমগা শন্নদে, অমনা লাওই অমনা থোংই অমনা কপ্পি — অমনা নোকই, খরনা ইনশিল্লি, খরনা ফুনৈ-হাৎনৈ।

মপান্দগী লাকপা লৈওাকপশিং, লন্নোনবশিং অমম্বং মথোয়গী থোওলোয়, কংলৈচা কয়ানা মীপাল তাংবা পোরমগী মতুংইন্না থোক্লকপা রাথোক-লাম্থোক খুদিংগী খুদোংচাবা কয়া লৌই। চাওথোকচরি খুন্নাই'সিনদি—"ইরমদম্মি, ঐথোয়না মীশিও য়াগনি"। লিংজেল মান্নদবা পুনশিনবা লৈতবা মেজোয়্রিতিদি মাইনোরিতিনি। "মাইনোরিতি

ইজ মেজোরিতি” শী রাখলোয়া মাইনোরিটী তাহল্লে। কাররবা মেজোরিটি মাইনোরিতিনা মচেৎ-মচেৎ ফক্তুনা চারে।

লমদম অসিদা নিং-তমবা অমদি হিংবগী মহাও লৈমা হিংলিবসি ফনানো ? মপান্দগী লাকপা লৈঙাকপশিং, মপান্দগী লাকপা শেঙ্গাও পায়বা লল্লোনবশিং অমসুং কংলৈচা লৈঙাক লুচিংবশিং অসি ওইবা তাই। সরকারগী য়াথং —“পোৎ-চৈ লোয় পৈশিন্দুনা থম্বা অমদি মমল হেন্না য়োনবা য়াদে”। “ লোয়া পৈশিন্দুনা থম্বা নত্তে, মীয়ামগী অরাবা ঙাক্লবগীদমক থম্বনি, মমল হেন্না য়োনব নত্তে— মতমগী চপচাবা মমলদা থাবনি”, রাকৎফমসু খঙদে অমসুং রেংশিনবীনবসু লৈতে। হিরম খুদিং মীপাল তাংলক্লবনা কংলৈচাশিং নিং-তমবা লৈরাকী ফাদোক ওইরে।

সরকার অমদি মীয়াম অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী ফগৎহন্দুনা অমগী মতেং অমবা পাংথক্তুনা থবক অমদি থোয়াং ফয়া পায়থৎতুনা লৈবাক - মীয়ামগী ঙং-তাবা পুক্তি মরেল অমা পুরকপা মতম থীল্লবনি। মমফু অমদি প্যাঙ্গলনা পুক্লিংগী ইহুনবু নমশিনত্তুনা থম্বা ঙমফম থোক্কে। হিংননবগী খনবদা চরাঙনরবা মীয়াম হেন্না চরাঙনহনত্তুনা শেল-থুম অমদি রাজনিতিগী খুদোং-চাবা লৌরিবশিংদগী লৈবাক মীয়ামবু ফয়বা হোৎনফম থোকই।

"কাংখগী থাং কোংহিলং কাই"

হিন্দু ধর্ম্মগী অমাঙ-অশেঙ, অচৌ-পীশক, চোপপা-লেম্বগী চংনবীনা খুহুম চনখিহুনা তমমী (মীতৈ/মৈতৈ) হিন্দু ধর্ম্ম চংপা মীওই কাঙলুপকী মরক্ত শিনকম অমদি থবক্ত অমাং—অশেং অমস্তুং চোপ্পা—লেম্বগী চংনবী অমা ঈচেল মাইনা চেলক্লে। মসিনা মরম ওইহুনা অয়েমবা শিনফম অমদি থবক তাম্নরকপদ শেঙ্গা-থুমজা অমস্তুং অচান—মীরায় নাইবগী কল্লবা চংনবী কয়া হুম্নরক্তুনা খুন্নাই অসি য়োংহিলং চল্লবা ফাদোককী পাংখক ওইহল্লে। অতোপ্পা শিনফম অমদি থবক কয়া শুননবগীদমক ভারতকী মফম কয়াদগী মীওই চা কয়া লাক্লে। মীওঈবনা হিংননবগীদমক থবক মত্রপা শিনফম অমা পায়গদবহু অয়েমবা শিনফম অমস্তুং থবক শাইহুনা হিংবা তাক্লে। শিঙ্গোং অমদি শিনফম খঙলক্তবা, শুফম-নোমফম লৈত্ববা, মীশিঙনা অয়েপপা লৈতনা হেনগংলকপা, শেঙ্গা-থুমজাগী অমদি অচান মীরায় নাঈবগী থাক য়াংখংলকপা অসিনচিংবা য়াথোক কয়া থোরক্লে। শুদনা থ্রিংনুবগী থবক থিনরকপদ চাওর—চাওরবা স্কিম অমস্তুং প্রোজেক্ত কয়া মপুঙ ফাঙমদনা পোংথাক্লে।

অম্নয়োমদা, মরুকোক্লবা চীঙশাংশিংনা নোংগী ঈশিং চুপশিনহুনা তুংশিন্নবা ওমলক্তবদগী ঈচাও অমদি ঈকং থোক্তুনা মহৈ-মবোং অমস্তুং মনা—মশিং কয়া মাঙহল্লক্লে। কা-হেন্না হাংতোকপিবা অমস্তুং উমংঙ—য়ামগু লৈয়কতবদগী মস্তুং হুক্তিনবা উমংদা শাঙ্গৈ-দাংখিবনা উচেক-রায়াগী মশিঙ হনথরক্তুনা তুম্পাককী লমদা পারু—শন্না তিল কাঙ তাহুনা হেনঙ্গংলক্লিবা মীশিঙগী মায়োক্তা চাথোক হনথরক্লে।

মাকল অমদা, অহৈল—লময়মগী পাম্বোম মথাদা চহি কয়া চুপ্পা মহৈ—মশিং তঙলুরবা মচা—মগু কয়ানা শিম্বোং—শিনফম থঙদন বদগী অহৈল—লময়নগী তৌবিরল থওবা ওমলক্কবত নম্ভনা মশা মরোমদোম হিংজনবগী লম্বী ফাওবা উরিক্কন্থনা ময়াম কাবা পোং চাশিন—থকচিন্দুনা পুন্সিবু "অহাঙবা মঙলাম্নি" থল্লক্লে। লমচং—শাজং খাঙথম্নকপা, চংন—পথাপকী ম্যাংমা লাম থবক কয়া তৌশিল্লকপা অসিনচিংবা কয়ামা খুন্নাই অসি লৈখা তাশিল্লকপগী ফিভম অমদা লাক্লে।

শুফম—নোমকমগী অরাংপ, শেম্বোক রাংপল্না ময়ম ওইহুনা পুবা খম্বা ওমলক্রবা মপা—মমা কয়ানা মচা—মগুশিংবু মীমাম্লনবা শেম্বী—শাবীবা ওমলক্লে। অয়াং—অপানা থল্লবা ইমুঙ অমদা কয়ম্না ময়া—তপনা পানবা ওমগদগে? থাক রাংলমা ধর্ম্মগী মিংদা লাইরবা খুন্নাই অমনি হায়বা ইকাইয়ে। ইশাগী ইর্জ্জং ঙাকচবদা "মগুণ ঙাকপদা লাইরেম্না লফুৎ কায়" হায়বা'হু থোক্লে।

"শোরারেন্দা তিন শিংকৎলগা মায়দা তাই"

মীয়ামগী লৈঙাক্লি— "অপুনবা ভারত" চহি চা কয়াগী মমাঙদগী থাম্নদগী ফবা লৈবাক্লি হায়না অথণ্ড—অহৈ কয়ানা ইহুনা থম্বীরম্বা লৈঙাক অসিগী মথাদ ভারতকী ষ্টেট অমা ওইনা মণিপুরস্থ মীয়ামগী মীহুৎ কয়ানা লৈঙাক্লক্লি। ষ্টেত অসিদা ওইরক্লিবা অমদি ওইরকদৌরিবা শেম্ফমগী ফিভম শুফম নোম্ফম

চারোল শুরোনগী ফিভম অসিনচিংবা কয়াগী অশোয়বা লৈরিবা অমসুং মায়োক্লরিবা অমদি মায়োক্লগদৌরিবা খুদোংথীবা কয়াসি মীহুৎ লুচিংবশিংগী অশোয়বা লৈঙাক্লনি হায়বসি মীয়ামগী রাখল-লোয়ি অমসুং খোল্লাওনি।

"রাখল্লোন' অমদি 'খোল্লাও' অসিমক্তি অচুম্বনি হায়না লৌ-বদা লানকম থোক্কে। থোরম, থোরাঙ অমসুং থৌওং ওয়বা নত্রগা মশা-মশাগী খুদোংচাবা অমদি ওইজবা থিনরকপদগী মখোঙ হৈবা হোৌগৎলকপদ ঙায়রিবা থোং মথক্তা হৈজিল্লবদগী নিংখায়রক্লনা পুম্মাং মাঙবগী থৌওং অসিনচিংবা কয়ানি লৈবাক অসিদা ওই-রিবা। 'হিংবা-শিবা' অমসুং চারোল—শুরোলগী পুন্সি কাওবা মীপাল তাংজহনা লৈরবদা অতৈদি করি ওইরুনি। অহুম্, মীয়ামগী মীহুৎ লৈঙাক লুচিংবশিং অহুদা কনানা লৈঙাকপগী থৌ অহু শিম্নথিবগে? মীয়াম্নি, মীয়ামমক্তা খনথিবনি মখোয়'হু কয়াগী মনুঙদগী মতিক চাবে শন্নহনা। অশোয়বা কয়াসি মী-য়ামগী শক্লক য়াওদবরা? শোয়রিবা অসিগী শক্লক অয়াম্বদি মীয়ামগীনি। মরমদি মীয়ামগী মীয়াম্না মীয়ামগীদমক শেমজখি-বনি।

চাদা মরিফুদগী হেনবনা লাইরবা ওইবা, মীয়ামগী লৈঙাক পথাপ চৎপা লমদম অসিদ: লাইরবা কয়ানা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা মীখলদা মায় পাকপা রাওরবগে? লাইরবা মীয়াম্না শেঙাও পায়বশিংগী মখাদা হিংনবা হোৎনরিবা অসিনা করিগীনো? ষ্টেট অসিদা পাঙথোক্লিবা লীথলগী মওং মতৌ লাইরবা মীয়াম্না

খঙন—খঙন খঙদবা ভারগদি শেঙ্গা—থুমজা অমদি অচান-মীয়ায় নাইবগী চৎনবী কৈদৌঙৈদা নমথবা ঙমলোই। ইশাগী সরকার শেমজনবগী ফংলিবা হকপু লৈবা লাকপা মীদা য়োনথোকখিবা তারগদি, শেমলক্লিবা সরকার অদুদা 'ঐগী' করি হক লৈফম থোকপগে ? 'গনতন্ত্র'বু 'মীওইবগী হক লল্লোম্বা' হায়না রাহল্হোক পীবা তারগদি 'মীয়াম' দি রাজনিতিগী 'ললোন পোৎ' ওইবা তাবনি।

নিং-তম্বা ভারতকী মমুঙ চনবা ঙমখৈ ঙাকপা স্তেত অমা ওইমা, ভারতকী স্তেত কয়ানা মাগী মাগী মীয়ামগী য়াইফনব-গীদমক হোৎনজবগী হক লৈবগুম্না মনিপুরগীসু লৈফম থোকই। লমদম অসিগী মীয়ামগী অমসুং লমদম অসিগী চারোন-শুরোনগী য়াইফনবগী রাখল্লোন চেনবা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা ঙমবা লৈঙাক লুচিংবগী মখৌ তারক্লবনিনা মহৌশানা শোয়দনমক খোরকফম থোকই।

"শামুনা তাল্লবদি রারক্ক চেনশিল্লু"

অমুক থীম্বগী তাঙ্গা লৈত্রবা, মায়গৈ খুদিং খুদোংথীনিঙায় ওইরবা, হিরম—থৌরম খুদিং রাথোক—লানথোক্কনা মায়োক্লরবা চিরবা মতম অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম, চীঙ-তমগী খেল্লবা থমদনা লিংজেল মাল্লনা, অখাঙ-কনবা, হোৎনবা কনবা অমসুং নিংহল্লবা লৈতবা রাখল্লোল থমদুনা হিংনবগী লানফমদা মাঙদা তাদুনা লৈল্লিবা রাথোক—লাম্হোক কয়াসি হৈ-শিংনা মায়োক্লদুনা

মীপাল তাংদনবা হৌৎনকম থোকই। কাণ্ডলুপকী থৈরবা থরহুনা লমহি তাথগী রাখলদ ওইজবা লুমহুনা লৈনব। তারবদি চপ মারমা লানকম অসি মায়থীমিন্নবা তাবনি।

মহৌশাগী পোৎথোক লাইরবা লন্নি। লৈমায়গী ওইবা উমঙগী পোৎথোক থর নত্তনা লৈনুংগী পোৎথোক্তি ফংলবস্থু হৌজিক ফাওবদদি লৌথোক্তুনা শিজিন্নবগী খুদোংচাবা লৈত্রি। লৌউ—শিংউবগী পোৎথোক কয়া ফৌ নত্তনা অতৈদি পাক-শম্না থাদ। হিরম পুমমক্তা শোৎথবা মরম্না লাইরবা লম অমা ওইনা হিংবগী কান্নকম থওদনা হিংলিবা খুন্নাই অমনি চাও-থোকচহুনা।

চহি থরগী মমাঙদগী অপিকপা অচৌবা ইন্দস্ত্রিয়েল ইউনিট কয়া সরকারগী ওইনা অমদি লন্নাইগী ওইনা লিংখৎত্রে। তৌইগুম্মসুং মহুনা মীয়ামদা পাক—শম্না কান্নবা পীবদি ইওম ওমদ্রি। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লমদা নিঙথিনা খুমাঙ চাওশিল্লবা স্তেত অমা ওইদ্রিবনা পোৎচাক কয়া মপান্দগী পুশিল্লক্তুনা মমল য়াম্না অমদি শেন্দোং লৈবা অকুপ্পা পোৎ-চৈ শাবগী খুদোংচাবা লৈত্রি। লম্গী থোং খুদোংচাদবনা মচাক পুথোক পুশিন্দা হেন্না চাঙ্গিং তৌবা, মতম চানা ফংবা ওমদবা অসিনচিংবা মরম কয়ামুক্তা পোৎথোক অহু মপান্দগী লাকপা পোত্তগী মমল হোঙনা অমদি মরাঙ কায়না য়োনবা ওমদে। থুংগুমল কোন্নবা ওমদহুনা শেল-থুমগী ফিভম শোকহন্দুনা হিংবদা রারকই।

স্প্যাইনিং মিলস—

চয়োল অমদা লং বেল ৪০০ গী মথক্তা পুথোকপা ওম্বা, মী ৬০০ তগী তাদনা থবক পীবা মিলস অসিনা চহিদা লংজম বেল ৮০০ পুথোকপা অসিনা থবক শুরিবা মীওই চা কয়াগী খুৎশুমন, পরার, অমসুং মেচিন্নচিংবগী কায়থোকপ্রগা, পাক-শন্না কান্নবা পীবগী মহুত্ত হিংবগী ফিভম শোকচিল্লকপা তাবনি। মচাক ওইরিবা লশিং, লমদম্মসিদা ফংদবনা মপান্দগী শেল চঙনা পুশিল্লকপা তাবা, অশোয়বা মরম কয়ামুক্ত মচাক (লশিং) মেচিনগী কেপাসিতি য়োৌনা শুবা ওন্নবা লৌশিনবা ওমদবা অসিনা শেনথুমগী ফিভমদা অরাবা ওইহল্লি। মরম অসিনা প্যাক—শন্না কান্নবা পীবা ওমদ্রি। পাক—শন্না কান্নবা পীবা ওম্বগা লোয়ননা লৈবাক্কী শেনথুমগী ফিভম ফগৎহন্বদা মতেং পীবা ওন্নবগী মচাক্তা মরী লৈনবা লোয়শঙগা খুৎশন্নহনা মরু কোল্লবা চীঙমায় কয়াদা পাক-শন্না লশিং থানবগী থৌরাঙ তৌবা মথৌ তাই।

খান্দসারি সুগর ফেক্টরি—

মী চনিরোম থবক পীবা ওম্বা, নোংমদা চু টন হুমফু চপ্পা ওম্বা মেচিনগা শাগোন্নরিবা ফেক্টরিনি। অহুবু,ম সিনা মাগী কেপাসিতি য়োৌনা চপকদৌরিবা চু কদায়দগী লৌগদগে ? কেপাসিতি য়োৌনা অমদি লেপ্তনা থবক ওদবনা মরম ওইহনা শেল-থুমগী রাথোক অহুম্মক লৈবা তাবনি। শেন্দোং লৈনা থবক চৎথবা ওন্নবগীদমক মচাক ওইরিবা চু রাৎতনা থম্বা তাই। ফেক্টরি

অসিগী মশাগী লমদা চু থাবগা লোয়ননা মমাংতৌদগী হৌরা, চু থাবগী হৈ-শিংবা লৈবা থৌবাল অমদি বিষেনপুর দিস্ত্রিক্তকী লমদা খুদোংচাবা কয়া পীদুনা চু মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবা তৌফম থোকপনি।

হুন্দুং সিমেণ্ট প্লাণ্ট—

উখ্রূল জিলাগী মখুণ্ড চনবা হুন্দুংদা পায়থৎলিবা সিমেণ্ট ফেক্টরি অসিগী অকোয়বদা মচাক মরাং কায়না ফংই। থবক অসিনা মীওই কয়াদা থবক পীবত নৎতনা লৈবাক্কী শেন-থুমগী খ্বিভম ফগৎহনবদা থৌদাং য়াবা ওমফম থোকলবনি। অদুবু মেচিন থমলিবা মফম (ব্লাক সাইত) অসি লৈবাক্কী লৈরোনগী মরমদা কুপ্না য়েংহৌদবদগী ওইবা য়াই, মেচিনশিংগী ড্রাইভ্রেসন্দগী লৈবাক্কী লৈরোন নমথৎকুনা থবক্তা অপনবা লাক্লে হায়বসি লৈবাক মী-য়ামগী লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা অচোবা থাক্কী শেল য়ামনা চণ্ডবা থবকশিং পায়থৎপদা চেকশিনহৌদবা হায়বসিমক লৈবাক্কী শেল মাঙহনবতা নৎতনা চাওখৎ খোংথাংদা শাথীনা, অপুনবা ওই। অখণ্ড-অহৈশিংনা কুপনা য়েংশিন্দুনা নিংথিনা মপুঙ ফানা পোৎথোক পুথোকপা ওয়বা হোৎনবা তঙাই ফদে।

অপীকপা-অচোবা সরকারগী নত্রগা লনাইগী ওইবা ইন্দস্ট্রীয়েল ইউনিট কয়ানা মথৌ তারিবসি পুথোকতৌরিবা পোৎথোক অদুগী মচাক অদুনি। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা থুংমাঙ চাওশিল্লবা স্তেট অমা ওইখ্রিবনা মরম ওইদুনা হৌজিক হৌজিক্কীদমক্তি, ইন্দস্ত্রিগী

মচাক অসি অম্নুম্না পুম্নিংই। মতুদি—১) এগ্রিকলচর ২) হো-র্টীকলচর ৩) ফিশরী ৪) সেরিকলচর ৫) ভেটীনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি অমসুং ৬) ফোরেষ্ট, দিপার্টমেন্টশিং অসিনা ওইফম থোকই। রো-মেটরিয়েল ওইরিবা লোয়শঙশিং অসিগী যিভম পোৎথোক মরাং কায়বা ওইদ্রিʼমখৈ স্তেত অসি শুফম-নোম্নফম মরাঙ কায়বগ লোয়ননা শু-নোমবগী থবক চাউখৎলে হায়বা য়াগদবা মান্দে। ইন্দস্ত্রি লোয়শঙনা মরী লৈনবা লোয়শঙশিং অসিগী ফিভম নিংথিনা খঙফম থোকই, লোয়ননা য়ামনা নক্লবা মরী থমহনা চাউখৎনবা হোৎমিন্নবগী মথৌ তাই।

"লমগী যম্না মচি শাংই"

মপান্দগী লাকপা পোৎপু থর হেন্না পাম্নবা মমল য়াম্নগত অফবা ওইরবোই নিঙবা, ইরমদমগী পোৎথোক্কী কৈথেল চাউখৎ-নবা রাখলদগী মপান্দগী লাকপা পোত্তনা হেন্না পূক্লিং থিংজিন্নন-চিংবা রাখল্লোন অসিমক্রসু অপিকপা শু-নোম্বগী শিনফম কন্না হিংবদ অরাবা ওইহল্লি।

বাপুজিগী রাখল্লোন্দা য়েংলুবগদি— মীপাল তাংবা হায়বসি চাউখৎপগী কযাৎ শুদ্রিবা মীওই কাংলুপনা য়ামনা পাম্না তৌই। মসিমক্তি ইশানা ইশাবু ম্যাংহজ্জবনি। মরম অসিনা ইশানা ইশাবু কঞ্জনবগীদমক "ঐগী' অয়েবা শেৎ চাবা অমসুং শিজিন্নবা ওয়াঙ্গ ফদে। রাখল্লোন অসিগী মথাদ বাপুজিনা ভাবত মচাশিংদা ভারতকী পোৎথোক শিজিন্নবা কন্না হায়খি। মসিমক্ নিং-তম অন্দলোনগী অচৌবা মচাক অমা ওইনা শিজিন্নখি।

Work is made for man, not man for work
(Two modes of thought)

নোংমগী চঙদথা য়াদবা পোৎচঙ কয়া শিজিন্নরিবা অসি মপান্দগী পুশিল্লকপনা অয়াম্বনি। কৈথেলদা ফংলিবা অশঙ-অমান, মনা-মশীঙ অসি ফাওবা মপান্দগী পুশিল্লকপনা অরাম্বা ওইশিল্লক্রে। কৈথেল অমদি লৈময়োনগী মকম কয়াদ চু অমদি হৈ-রাগী মহি স্থমহুনা য়োল্লি। মোৎলবা নুংশিৎ-নুংশা মরক্তুদা শুম্বা মহিদু থক্নৈ; অদুবু অচোম্বা থবক্তি থন্নবনরা কংলৈচা কনানদি থবক্তুবু তৌরুদে। লৈরক-খুল্লক, গাড়ী থাকম কয়াদা কোয়না চল্লুনা য়োল্লি — "আইস ক্রিম", তাল্লি হিংননবগী মচাক; অদুবু মখোয়শিং অদু মপান্দগী লাকপা মীওই গুাক্তনি।

অইঙবা অমদি অশাবা মতমদা শিজিন্নবা য়ায়বা মথল কয়াগী ফিরোল কয়া লমদম অসিদা শাই। অদুবু মরিং মরাংবা ওইনা মানবগুম্বা চৎনবী অমনা পোৎথোক অসি শিজিন্নবগী চাং হল্লহল্লি। শিজন্নরিবা মীদমু শেল হল্লনা চঙবা, ফিগী পোৎথোক কয়া অসি শিজিন্নহুনা থবক অমদি শিনফম অসি চাওখৎহম্বা মথৌ তাই। মীওইবগী রাখল্লোন্না ওইহন্বা চৎন্বীনা মীওইববু অরাবা পীগদবা লৈরবদি, য়াইফ-মুংঙাই ওইগদবা চৎনবী অমা শেম্বদা থোইনা অকায়বা লৈফম থোক্তে।

মীওইবনা হিংনবগীদমক থবক অমদি শুবা তাবনা থবক অমদি শিনফম কয়া থোক্লকই। হিংনবগীদমক শুগদবহু শুননবগী-দমক হিংবা তারবদি থবক অমদি শিনফম কয়াগী মমি তারম্লোই। থবক অমদি শিনফমগা মরী লৈনবা সরকারগী লোয়শঙশিংগা মীয়ামগা নরুবা মরী থম্নহুনা খুৎশম্মনা থবক থৌরাঙ কয়া

পাম্নখৎপা তঙাইফদে। থরায় অমদি হকচাং ওইরিবা মীয়াম অমদি সরকার নক্নবা মরী লৈনস্ত্রবদি অনিগী কান্নবা লৈফম থোক্কে।

হিংনবগী লানকম খায়োক্লনবা খদা অমদি হোংনজবদা তুকক—তুকাই চল্লবা খুম্নাই অসিগী মীয়ামদা মরী লৈনবা লোয়শঙ কয়ানা থবক অমদি শিনকম কয়া থোকহন্নবগীদমক ত্রেনিং কয়া পীরক্লি, লোয়ননা শেম্মং কয়াসু ইপী পীদবদি নত্তে। অহুবু থোৎলাং কয়া অহুনা মীয়ামদা পাক—শন্না কান্নবা পীবা ইঙম ঙমদবগুম তৌরি। অহুমদি, নাকল অমিমক্তা অশোয়বা, মত্রেগা অরাংপা কয়া লৈরি হাম্নবশিনি।

হিংনমবগীদমক গু—লোম্বা হায়বলিদি তোকপা ঈয়া য়াদে। সরকার অমদি মীয়াম, অনিমক অন্নায়বা থৌওননা লোল ইচঙ চাঙদনা, মমল হোঙনা অমদি মঙাঙ কায়না ফংবা পোৎচাক্রা পুথোকপা য়াবা পোৎথোক্কী থবক—থৌওং কয়া পুথোক্লহুনা গু-লোম্বী য়াঙল অমা পুম্নক্ময়া হোৎনমিন্নবা তঙাই ফদে। অমনা অমবু ঙাইনহুনা লৈবনদি থবক খুদিংদা খুমাঙ চাউশিনবা রানা থোক্কনি।

উহৈ—রাহৈ কয়াগী শেমদোক্লবা মহী অমদি মপাংগী পেকিং মচা কয়া লমদম অসিদা কৈথেল কাবা লাকই। মহা—অহল খাক্কনা অহুম্বক চানৈ—থক্লৈ। লায়না কয়া ফহনবদা কান্নবা পীরিবা চু, চগুনা চুহিং লৌরগা মথৌ তাবা হিদাকী মচল হাপ্পুনা পেকিং তৌরগা কৈথেল কাহনবা কান্নবা ফংগনি। হকচাংদা

নিংথিনা কাম্নবা পীবা হৈক্রে, মনিপুরগী উমঙ—রামঙদা মরাং কায়না ফংই। মফম চানা শিজিন্নবিদবনা পং-পুমদুনা অমদি শা উচেক্কী মচিন্নাক ওইনা মাঙই। কংতল্লগা তকথায়রবা হৈক্রে মকুপ, মখৌ তানা হিদাক্কী ময়াল হাপ্লগা অঙাংশিংদা পীজবা, মপান্দগী লাক্লিবা পেরিক্কী মচাশিং অসিদগী হেন্না কাম্নবা পীবা ঙমগনি। অদোম্বনা মাঙদ্রিবা উহৈ কৈথেল কাবা ফংজগনি।

অপীকপা অচৌবা, সরকারগী অমদি লম্নাইগী বিলদীং কয়াদা অরু—অহেনগীদমক লৈমায়দা মোজাইক থানরি। পেরিক্কী নাল্লবা লৈমায়দগী হন্দবা লৈমায় ওইহনবা ঙম্বা মোজাইক্কী মচাক লমদম অসিদমু ফংই। উখ্রুল জিলাগী মফম কয়াদা নুংঙৌ অমদি মশাগী ওইবা মচু কয়াগী অরংবা মুঙ মখল ফংই। অসিগুম্বা মখলগী মুঙ চান্দেল জিলাগী মফম কয়াদসু ফংই। লংলবা মচু কয়াগী মুঙশিং অসিনা শেম্বা মোজাইক লৈবাক্কী মমুঙ অমসুং মপান্দ নিংথিনা পাম্নগনি। লোয়ননা [illegible] শিনফম পীবদা মীয়াম অমদি সরকার অনিমক্কী [illegible] ওইগনি।

[illegible] পরেংগী উমঙ—রামঙদগী ফংবা মচাক কয়া [illegible]দা পুথদুনা থংনবা স্তেতকী চেগী মিলগী [illegible] কয়াগী চে শাননবা মচাক মরাঙ কায়না [illegible] মিলস অসি লিংবা ঙমদবা লৈবাক [illegible]মগী [illegible]লিংঙাইনি। অথুবা মতমদা চেগী মিলস [illegible]ংতু[illegible]য়ামগী চাউখং-থোরাঙ তৌবা তঙাইফদে।

"কুপযান্দা খোংনাং তুই"

মক কোল্লক্লবা চীঙশাং পরেংশিং, চহি চা কয়া পুন্সিল্লক্লব কুংলবা উমঙ—ল্লামংনা লৈতেংলকপনি। তেল্লবা চহি ৪০।৫০ অসিগী মনুঙদা শা যনগী শকিক চাফম ওইবাক্লে। মী অমগী পীক্লবা কোকথোং, ইরোইগী পীক্লবা কাংপোং, যনগী গাডীনচিং-বা অপীকপা য়ামদবা মপোং কয়া কযা লেপতনা হোল্লকপা ঙসি কাওবা লেপত্রি। মমল ম্লাম্বা, অকবা অমদি উপাল কয়া যাম্বুংলগা খাযদোক্তুনা ফোরেস্ট খঙদনা হোন্দোকখিবা, মী, যনগাড়ী অমদি ইরোইনা চিংবা ঙম্বা উক্তাও-উখোঙ, শীঙনচিংবা চিংথোক হোন্দোকখিবা, লৌউ-শিংউনবগীদমক মচেৎ-মচেৎ ওইনা পাম হাই-দংপা অসিত্রনা কোংল্লিবা উমঙগী চাদ কুম্ব্রাদি ওইগনি।

অচৌবা—অপীকপা গাড়ী কযানা মনুঙ হঙ্জিনবা মফম ফাওবদগী উ-ল্লা কযা চিংথোক্তুনা হিংনবগী লানফম মাযোক্লবক্লে। নোংমনা শীঙ টন কয়া মৈ থাবা চেকোন কয', কেবী কয়া খাযদোকপা ঙম্বা সো মিলস, নোংমদা ইমুঙ [illegible] অমদা চঙবা শীঙ, অমদি শিনফম কয়াগী থুবক্ত চঙবা মৈ[illegible]গী মচাক হুন্বদা পাক চাওববা উমঙ মক কোল্ল[illegible] ল্লবা উমঙগী পোংথোক অসিগী কাফম [illegible] চাদা কুনথ্রা যৌনা লোল্লশঙদা কাবমগদবা [illegible] ফোংবষ্টকী গেত্ত লৈ, অরোনবা লম্বী [illegible] চল্লান ককপা-কক্তবা য়ানবগী মথা পো[illegible] মীওই মপু ঙাক্তনি। নুঙ লৈঙোইনচিংবদ[illegible] ফাওবদা ফোবেষ্টকী প্লোংথোক লোম্না [illegible]

নিংথিনা কান্নবা পীবা হৈক্রে, মনিপুরগী উমঙ—রামঙদা মরাং কায়না ফংই। মফম চানা শিজিন্নবিদবনা পৎ-পুমথুনা অমদি শা উচেক্কী মচিঞ্জাক ওইনা মাঙই। কংহল্লগা তকথায়রবা হৈক্রে মকুপ, মথৌ তাবা হিদাক্কী ময়াল হাপ্লগা অঙাংশিংদা পীজবা, মপান্দগী লাক্লিবা পেক্কিং মচাশিং অসিদগী হেন্না কান্নবা পীবা ঙমগনি। অরেম্বদা মাঙলিবা উচৈ কৈথেল কাবা ফংজগনি।

অপীকপা অচৌবা, সরকারগী অমদি লন্নাইগী বিলদীং কয়াদা অরু—অহেনগীদমক লৈমায়দা মোজাইক থানরি। পেরিস্কী নাল্লবা লৈমায়দগী হুম্বদবা লৈমায় ওইহনবা ঙম্বা মোজাইক্কী মচাক লমদম অসিদস্থু ফংই। উগ্রুল জিলাগী মফম কয়াদা সুংঙৌ অমদি মশাগী ওইবা মচু কয়াগী অরংবা সুঙ মখল ফংই। অসিগুম্বা মখলগী সুঙ চান্দেল জিলাগী মফম কয়াদস্থু ফংই। লংলবা মচু কয়াগী মুঙশিং অসিনা শেম্বা মোজাইক লৈবাক্কী মমুঙ অমস্থং মপান্দ নিংথিনা পান্নগনি। লোয়ননা থবক অমদি শিনফম পীবদা মীয়াম অমদি সরকার অনিমক্কী অচৌবা মতেং ওইগনি।

নোংচুপ চীঙশাং পরেংগী উমঙ—রামঙদগী ফংবা মচাক কয়া চেল্লিবা ভুবেলগী ঈচেলদা পুথতুনা থংমবা স্তেতকী চেগী মিলগী মচাক হুল্লি। মখল কয়াগী চে শাননবা মচাক মরাঙ কায়না ফংবা লমদম অসিদা মিলস অসি লিংবা ঙমদবা লৈবাক মীয়ামগী লাইবক থীনিংঙাইনি। অথুবা মতমদা চেগী মিলস লিংখৎতুনা লৈবাক মীয়ামগী চাউখৎ-থৌরাঙ তৌবা তঙাইফদে।

"কুপয়ান্দা খোংনাং তুই"

মরু কোল্লকুবা চীঙশাং পরেংশিং, চহি চা কয়া পুন্সিরক্কব কুণ্ডলবা উমঙ—রামংনা লৈতেংলকপনি। তেল্লবা চহি ৪০।৫০ অসিগী মনুঙদা শা-যনগী শক্তিক চাফম ওইরাক্লে। মসী অমগী পীক্লবা কোকথোং, ইরোইগী পীক্লবা কাংপোং, যনগী গাড়ীনচিংবা অপীকপা য়ামদবা মপোং কয়া কয়া লেপতনা হোল্লকপা ঙসি ফাওবা লেপত্রি। মমল য়াম্বা, অফবা অমদি উপাল কয়া য়াম্থৎলগা খায়দোক্লুনা ফোরেস্ট থঙদনা হোন্দোকখিবা, মসী, যনগাড়ী অমদি ইরোইনা চিংবা ঙম্বা উজাও-ভৈখোঙ, শীঙনচিংবা চিংথোক হোন্দোকখিবা, লৌউ-শিংউনবগীদমক মচেৎ-মচেৎ ওইনা পাম হাই-দৎপা অসিতনা কোক্লিবা উমঙগী চাদ কুম্থ্রাদি ওইগনি।

অচৌবা—অপীকপ্পা গাড়ী কয়ানা মনুঙ হুক্তিনবা মফম ফাওবদগী উ-য়া কয়া চিংথোক্লুনা হিংনবগী লানফম মায়োক্নরক্লে। নোংমদা শীঙ টন কয়া মৈ থাবা চেকোন কয়া, কেবী কয়া খায়দোকপা ঙম্বা সো মিলস, নোংমদা ইমুঙ অমদা চঙবা শীঙ, অমদি শিনফম কয়াগী থুবক্ত চঙবা মৈতাল; কয়া'সিগী মচাক হুম্বদা পাক-চাওরবা উমঙ মরু কোল্লক্লে। অহুবু, য়াম-থ্রবা উমঙগী পোংথোক অসিগী কাফম থোকপা রোয়েলিতি চাদা কুনথ্রা য়েনা লোয়শঙদা কারমগদবা মান্দে। মফম কয়াদা ফোরেষ্টকী গেত লৈ, অরোনবা লম্বী কয়া অমসু অতুম্মক লৈ। চল্লান ককপা-কক্তবা য়ানবগী মখা পোল্লি, নাকল অনিমক্কী মীওই মপূ ঙাক্তনি। নুঙ লৈঙোইনচিংবদসু অসি মঙায়। ঙসি ফাওবদা ফোরেষ্টকী পোংথোক লোয়া পুরম্বগী ফাহ্নুনা কেস

রেজিষ্টার তৌবা, তৌকম থোকপা ফাইন তৌবা অমদি পীকম থোকপা চৈরাক পীবা অতাঙবনি।

মোরেদগী মোলচাম য়ৌবা কিলোমিতর তুমকুদগী চৈন্না শাবো ক্যাম্পগে লমকাও ফাওহনা চংলিবা নেসনেল হাইরে অসি বর্মা অমদি মনিপুর তাইনবা লমথৈ অনি ফাও-ফাওহনা থেক্না থোয়না চংলি। অহুবু ইন্দিয়াগী গারীদি চঙবা য়াদে। "তুইতো" কৌবা ঈচেল মচা অমনা হাইরে অসিবু ফাওদোক্লুনা চেল্লি। ঈচেল অসিদা শান্নিবা থোং অসিনা লৈবাক অনিগী লমথৈ থারদোকই। অসোমগীনা "বোকান" অমদি সোমগীনা "মোলচাম" ইচেল অসিগী য়াংম য়াংমদা থুনাদৈ। থোং মচা অসিগী অসোম য়াংমদা মথোয়গী গেত লৈ। পুলিস আউত পোস্ত অমগা লোয়ননা তমু অমদি বোকান অনিগী মরক্তী মফম কয়াদা হারেগী নাকল ওইনা থুল মচা কয়া মথোয়গী নাকন্দা তাই। লোউ শিংউবগী থবক মনিপুরগী লমথৈদা তৌই, লেপ্তীনা বর্মা (ম্যানমার) সরকারদা কায়। ইন্দিয়াগী ওইন ফোরেষ্ট গেততি জায়রদনা সেক্যুরিতি ফোর্স ফাওবা নিংথিনা লৈতবনা চিংগু উ কয়া চিংথোক্লুনা পুথি, কনানা উক্লনি?

লমথৈ মমুঙদসু অহু মঙায়, পামলোগীদমক চাওর চারবা মমল মাম্বা য়ামদবা উ কয়া হাইদক্লুনা মৈ থাদোকই। ফুট জয়াগী মথক্তা কোনবা মেক্রুক অমদি য়াংঙৌ পাম্বী কয়া থাউরেক লোনবগীদমক হুৎ-হুৎলুনা মৈ থাবদগী কং কংহনা মাঙই। মতৌ অমুম্না লমদম অসিগী অরাংবা অইঙবা মফম

কয়াদ চহি চা কয়া হৌরক্লবা উচাল পাম্বী কয়া তংখায়— তংখায় কাওবা য়ান্নুন খম্মী। নিংখিনা মরেক কারবা মতমদা য়াম্মুংলগা মচেং—মচেং খায়দোক্লগা কোকথোংনা পূরগা য়োম্মোকই। মমল নাইবা পোং কয়া শেম্বা য়াবা থাউরেক মথল কয়া লমদম অসিগী উমঙশিংদা মাঙ—মাঙহনা লৈরি।

ইন্দষ্ট্রিয়েল প্লান্টশিংগী মনুঙ চনবা য়ারবা পাম্বীশিংসি অমমুং রবর পাম্বী পাক—শন্না থাহনা শু-নোম্বগী মচাক কয়া পূথোক্লবা হোংনফম থোক্লবনি। মহৌশাগী প্ল্যোংথোক অসিনা অরোইবা তাংকক য়ৌরক্লবদি ফোরেস্তকী ইনকম লেপ্পা তাবনি। কাথোক-কাশিন্দা থোইনা রানিংঙাই লৈতবা, লম্বী-থোংগী থোইনা খুদোংথীবা ওইদ্রবা, মরু কোক্লবা ফুবাক্লবা চীঙহুম অমদি চীঙ-মায় কয়া অসিদা মফম চাবা য়েংহনা "ইন্দষ্ট্রিয়েল প্রদক্টীভ ফোরেস্ত বেলট" শেমগংতুনা শু-নোম্বগী য়াওল অমা পুরক্লবা হোংনবা তঙাই ফদে। লাইরবা লৈবাক-মীয়াম অমদি চারোন-শুরোন মীমান্নবা হিংবা ঙম্নবগীদমক খুজিল-থৌরাং কয়াগী কয়াৎ, লোয়শঙশিংগী মকোকথোংবশিংনা মরি লৈনবা য়াবা লোয়শঙবাশিং খুংশন্ননা অমদি মমুং তানা থন্ন-নৈনবীহনা লৌফম থোকই। মীপাল তাংবতনদি কৈদৌঙৈদ চাউখৎ-খোংথাঙ মপুঙ ফাঙম্লোই।

উমঙগী পোংথোক্কা মন্নী লৈননা থকক অমদি শিনফম পান্নবিন্নিবা ইরৈবাকচাশিংনা ইরৈবাক্কী খুন্নাইগী অমমুং চারোল-শুরোলগী খনথবীরগা থীফম থোকপা রোয়েলিতি চল্লানগা কোম্ননা খীবহনা ইশাবু ইশানা তেংবাংজবগী থৌদাং লৌবা পুন্নমক্কী

অকবা ওইগনি। অকক্লবা মকম নত্তনা পাক্তক্লনা লার্মৈ থাবা, মথৌ তাবা উ নত্তনা পাক্তক্লনা হাইদৎপা অর্সিগুম্বা কয়াসি তোক্তুনা অন্নাং—অপা লৈতবা মহৌশাগী উমঙ অচুগুম ওইহন্বা থরায় পানবশিং পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি।

"মহৌশাগী ফিভম কন্বনা মালেমগী লৈমায়
মহৌশাগী মচু ওক্লোয়"

"কৈগী মপ্পাল নাপীনা তাং,
নাপীগী মপান কৈনা তাং।"

স্ক্যার কিলোমিটর ১,৮৪০ থক পাক—চাওবা তম্পাক্কী শক্লক অসি পাৎ, তুরেল, লৈননবা মফম, সরকারগী লোয়শঙ' ফৌগী লৌকম অসিনচিংবা খায়দোকখ্রগা ইন্দষ্ট্রিগী মচাক ওই-রিবা লোয়শঙ কয়াগী থবক অমদি থৌরাঙ কয়া'সি পায়খৎফম লৈরমগদবা মান্দে। মীশিঙনা অরেপ্পা লৈতনা হেঙ্গৎলকপা, লম্নদি অকক্লবা ওইবনা লৌউ—শিংউবগী মরুওইবা পোৎথোক ওইরিবা ফৌগী পোৎথোক্লা মশাগী শিজিন্নবা কোম্নরক্তবা অসিনা লৌকমদা অতোপ্পা পাম্বী কয়া পাক-শন্না থাবা হায়বসি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নৈ।

তম্মী চাদা মরিফুদগী হেযন লাইরবা শেম্থোক লৈতবা কাঙবুনি। খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা লৌউ-শিংউবগী লম অয়াম্বা লৈময়োন্দা লৈবশিংনা মপু ওই। লম অহুবু শিজিন্নরিবা অমদি মপু ওইরিবা

অনিমক্তা ফৌনা হেন্না মরু ওইবনা হৈ—রাগী পাম্বী থাবগী অপাম্বা ইরৈ লৈতে। মাগী মাগী ইংখোলদা, ইংখোল কোয়বা য়াদবা ফমদা পাম্বী থর থাব নত্তনা প্যাক — শন্না ইথা থামদে।

মহৌশানা তমেংলোং জিলাগী মফম কয়াদা কোয়া মরাঙ কায়না ফংই। অতুবু পাম্বীশিং অসি মতোমত পংহৌ হৌজবা, মথৌ তাবা হায়নচিংবা মতম মতমগী ওইনা হাপ্পীদবা মরম্মা তিঙ্গা-লায়জংবা পাম্বী কয়াসু য়াওরে। হৈপালশিং অসিগী মরক মরক্তা চা পাম্বী থাজিগসু য়াওরে। মসিনা উহৈ অসিগী চাথোক হুম্বরকপগী ফিভমদা লাক্লে। মসিগী মরমসি—লম্বী—থোং খুদোংচাদবা, শেল ওন্থোকনিঙবা মতমদা অরাবা লৈবা অমসুং শেন্দোং রাংপা ওইবনা থবক অসিদা পুক্লিঙ চঙদবা ওইফম থোকই। মফমচাব। মফম য়েংহুনা জিলা অসিগী মনুঙদা প্রোসেসিং সেন্টর থমহুনা পোংথোক অসি য়োম্থোক য়োনশিনগী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা ফেক্টরি অসিগী মচাক রাংহনা পীবা ওয়বা জিলা অসিগী মফম কয়াদা চানবা হৈ-রাগী প্যাম্বী কয়া পাক—শন্না থানবগী খুদোংচাবা পীহুনা মীয়ামগী শেল থুমগী ফিভম ফগংহনবা মথৌ তাই।

লমদম অসিগী কৈথেল কয়াদা মথল কয়াগী হৈ—রা মরাঙ কায়না য়োনবা উরবসু মশাগী শিজিন্নবা নত্তবা মপান্দা মরাঙ কায়না থ্যাদোক্লুনা লৈবাক - মীয়ামগী শেন—থুমগী ফিভম ফগংহনবা ঙম্বগী থাক অদুদি লৈত্রি। খা—নোংচুপকী চীঙশাং, চুরাচান্দপুর অমসুং চান্দেল জিলাগী অয়াম্বা মফমশিংদা অকবা মথলগী কিহোম

নিংখিনা হৌই। থাংজিং চীঙদা ফংলিবা কিহোম মখল অসি চহি চুপ্পা লেপ্তুবা মখলনি। জিলাশিং অসিদা মরাঙ কায়বা পোৎথোক ওইরবস্তু অপুনবগী ওইনা য়েংলুরবদি থোইদোক্না মরাঙ কায়বদি নত্তে। মায়কৈ কয়াদা খুদোংচাবা পীতুনা হৈপাল অসিগী চানবা লৈহাও লৈবা মফমশিংদা পাক—শন্না থাদুনা মরাঙ—কায়না মপান্দ থাদোকপা ওন্নবগী পোৎথোক পুথোকপনা হিরম কয়ামুক্ত কান্নবা পীবা ঙমগনি।

উথ্রুল অমস্তুং সেনাপতি জিলাদা হৈতুপ, হৈথা, হৈথুম চম্প্রা অমস্তুং মপান্দগী লাকপা হৈ-রা কয়াগী চা-নবা লৈহাও লৈবনা হৈ-রাশিং অসি নিংথিনা কংই। অদুবু জিলা অতৈদা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি অদুম্বক লৈবনা শিনফম ওইনা প্যাক-শন্না থাবদি ইতৌ তৌনিদ্রি।

মরী লৈনরিবা লোয়শঙ হোর্তিকলচরনা য়ান্না কুপ্পা থিজিন খোৎচিনবিদুনা মরী লৈনবা লোয়শঙগ খন্না নৈনবিদুনা ময়ামগী, লৈবাকী অমদি চারোল-গুরোলগী খন্থবীদুনা মীয়ামগী পুক্নীং থৌগৎপিবগা লোয়ননা খবক থৌরাং কয়াসি পায়খৎপীবা মাইকৈ খুদিংদা কান্নগনি।

ফোরেস্ত দিপার্টমেন্টতা ইনকম লাক্লিঙাই লৈত্রবা, মরুকোক্নবা শা-মনগী শাজিক চাকম ওইরবা চীঙমাই অমদি চীঙথুম কয়ানা ভম্পাকী লমবু ইকোয়-কোয়শিন্দুনা লৈ। ইতেম-তেম্বা, লোইরোই হাইগৎপা, ফুবাক্নবনাচিংবা লম্বী-থোংগী থোইদোক্না খুদোংথিনিংঙাই

লৈত্রবা মফম ঙাক্নি, তমপাক্না তাইনবা। হোর্তিকলচর অমদি ফোরেস্ত, লোয়শঙ অনিগী য়াম্নবগী মখাদা চানবা লৈহাওদা মখল কয়াগী হৈপাল পাক-শন্না থানব থৌরাং তৌব মথৌ তাই। মসিনা মীওই কয়াদা থবক পীহুনা, উহৈ-র হৈগী ফার্ম কয়া শেমগৎতুনা লৈবাকী শেল—থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবত নত্তুনা উমঙ কম্বদা অমস্তুং উমঙগী মত্তিক—ময়ায় হাপ্লদা অচৌবা মতেং ওইগনি লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিগী মচাক পীবদ অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি। ইন্দষ্ট্রি লোয়শঙনস্তু পীবা য়াবা মতেং পীহুনা থবক অমদি থৌরাং কয়া পায়থৎমিন্নরবদি নিংথিনা মায় পাক্লোইদবগী মরম লৈতে।

"মপাম চাকস্তু চাদ
ময়াময়ুম চাকস্তু চাদ।"

মণিপুরদা য়াম্না ঙল্লিভৈ মতমদগী লংথোক তিন য়োকপা অমদি অহুমদগী লং চিহুনা অক-অনান কয়াগী থ্বাং অমদি ইয়োংদা ফি শাব চৎনরকই। কাব্রং লংনা মশক নাইবা ফি কয়া লোম্বদা শিজিন্নৈ। ঙল্লিভৈ মতমদগী থবক অমদি শিনফম অসি তৌরক্লবস্তু পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক্লুনা অচৌবা শিনকম অমা ওইমদি পায়থৎলক্লি। সেতিকলচব লোহশঙনা লমদম অসিগী মীওই কয়াদা তিন অসি য়োকপগী ত্রেনিং পীবা অমস্তুং তিন মখল কয়াগী মচিঙ্গাক ওইরিবা মনা ফনবগীদমক পাশ্বী থাবগী মতেং কয়া পীহুনা লংথোক মহুম ময়াঙ কায়ন। পুথোক্লুনা

শেন্থোক লম্বী মীয়াম্বদা পীবগা লোয়ননা ফি-শা লোনশাগী থবক্তু অচৌবা মতেং পীবা ঙম্নবা লেপ্তুনা হোৎনল্লি । অহুবু ঙসি ফাওবদি থবক অমদি থৌরাঙ অসি নিংথিনা মায় পাক্লে হায়না লৌবদি য়াদ্রি । সেন্থুল কাস্তকী মমুঙ চম্না লৈরিবশিং নত্তুনা অতোপ্পশিংদি ত্রেনিং কয়া ফংলবস্তু থবক অমদি শিনফম অসিদা হৈশিংবা লৈতবগুম তৌই । চৌঙগী লমদদি থবক অসি ইথঙ-থঙদবদৌনা তৌরি ।

তম্পাক্কী লম অসিগী মফম থরদ থবক অসি তৌরক্লবস্তু পাক-শন্না মনাগী পাম্বীশিং থাহুনা শিনফম অমা ওইনদি তৌনদ্রি । কোয়না চৎতুনা মনাশিং হেক্লগা খর খর য়োকপগী থবক্তুমক তৌনরি । পীক্লবা তমপাক্কী লম'সিদা শিনফম ওইনা পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক পাক-শন্না তিন মনাগী পাম্বীশিং থানবগী মফম মরাঙ কায়দে । মসিন অচৌবা শিনফম অমা ওইনবা হোৎনবদ অরাবা ওই ।

হিংনবগী লানফম মায়োক্নরকপদ উ-রা কয়া য়ানথোকথিবা, অমুক য়োকখৎনবগী রাখল তৌহৌদবনা মরম ওইহুনা তম্পাক্কা তাইনবা চৌঙলোন কয়াদি নাপী নত্তুনা উপালদি হৌদ্রে হায়বসিদি ইরৈবাকচা পুম্নমক্কা উহুনা লৈরবা অমদি খঙনরব। অশেংবহুনি । মন-ইরোইগী শক্তিক-হানৌ ফংনবা তংতনা লম্মৈ থাবা অমস্তুং শাশিং অসিনা তংতনা নৈহৎপদ উপাল মচা কয়া হিংবা ঙমদবগী মক্ল কোক্লবা চীংমায় হায়বহু ওইয়ে। পোৎথোক লৈত্রবনা কোরেস্ত লোইশঙদা ইনকমস্তু কাদ্রে; অমরোমদ, উপাল থাবা নত্রগা

য়োকখৎপগী থবকসু তৌত্রে। মায়কৈ খুদিংদা অমাঙবা নত্তনা করিস্থ লৈতে।

তম্পাক্তা তাইনবা চীঙখোঙদগী কিলোমিটর মঙাদগী তরা ফাওবা চঙশিন্নগী লম ফাওবদি লোংজু-মুংশা নাইদনা শিজিন্নবা য়ারবা লম্বী কয়া লৈরে। লম্বীশিং অসি উমঙগী প্লোংখোক পুখোক্লবগী লম্নাঙ্গ শেমজখিবা ঙাক্তনি। শয়ী-উয়ুং ময়াঙ কায়না হোৗরম্বা, কংগ্রিবা ময়া অমদি ময়ুদগী চোংখৎলকপা হিংবদা য়ারবা উপাল মচা কয়া লৈমায়দা নপ-নপতুনা হোৗবা চীঙমায় কয়া লৈরি। যন-ট্রোই চঙহন্দনা য়োকখৎপিরবদি ফজনা হোৗজবা ঙমখিনি। অমুক থাকবা তৌদনা নিংথিনা য়োকখৎপিরগা শিনফম অসিগীদমক শিজিন্নবা নিংথিনা য়াগনি। তম্পাক্ত তাইনবা চীঙ অয়াম্বদি ফুবাক্লবা নত্রগা চীঙফৌনি।

ফোরেস্ত অমসুং সেরিকলচর অনিগী য়া-নবা মথাদ সেরিকলচরগা ময়ী লৈনবা পাম্বী মখল কয়া থাহনা অমদি য়োকখৎকুনা মফমচাবা মফম কয়াদা ফার্ম কয়া শেমগৎপা তঙাই ফদে। পোংখোক নিংথিনা পুখোক্তুনা ফিশা-লোনশাগী থবক্ত অচৌবা মতেং পীবত নত্তনা মীওই কয়াদ থবক পীবা অমদি লৈবাক্তী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবদা অচৌবা থৌদাং য়াবা ঙমগনি।

পীকপ্রবা তম্পাক্তী লম মচেৎ খর অসিদা লোয়শঙ কয়াগী থবক অমদি খোরাঙ কয়া পায়খৎপা হায়বসিদি "লিন্না য়াই মুন্নব"গী ফিভমদ তারগনি। মীয়ামগী মীহুৎ, লৈঙাক লুচিংবশিং

অমসুং লোয়শঙগী মকোক খোংবশিংনা মমুং তানা থন্ন-নৈনবীহুনা পায়খৎপা য়াবা খোয়াং কয়া'সি পুক্লিঙ চঙনা হোৎনবিন্নবদি পুম্নমকী ওইনা য়াইক্কবা ওইগনি।

"অন্নংবা ঙাক্লা সনাদি নম্বে"

ঙায়োক লোয়শঙনা চহি কয়া চুপ্পা লমদম অসিদা ঙায়োকপগী থবক অমদি শিনফম অসি মপুঙ ফানা চাওখৎহন্দুনা মীয়ামগী শেল-থুমগী ফিভম কগৎহন্বতা নত্তনা মমল হোঙনা অমদি মরাঙ কায়না ঙা মখল কয়া ফংহন্নবা লেপ্তনা হোৎনরক্লি। শেন্দোং লৈনা য়োকপা য়াবা, চাওরৈ কম্বা ঙা মখল কয়া মপান্দগী পুশিল্লকই। পীক্লবসু মহাও লৈবা, লমদম অসিগী মহৌশাগী ওইবা ঙা মখল কয়া অমসু য়োকখৎনবা হোৎনরক্লি। ইরৈবাকচা কয়ানসু লন্নাইগী ওইবা ফার্ম কয়া শেমগৎতুনা ঙা মখল কয়াগী মচা লৌবা অমদি মশিঙ থীবা য়ারবা থাক ফাওবা য়োকখৎতুনা শেন্দাল লম্বী ওইনবত নত্তনা চাবা য়ারবা কাওবগী থাক য়োনা য়োকপা কয়াদা খুদোংচাবা পীম্মি। লৌউ-শিংউবদ শীজিন্নবা য়াদবা পাৎপানগী লম কয়াদ পাক-চাওনা ঙায়োক্লোন শেমহুনা ঙাথোক নিংথিনা পুথোক্লরক্লি। প্যাৎ-তুরেল অমদি লৌবুক মচিংবা কয়াদগী ফংবা মহৌশাগী ওইবা ঙাথোক কয়া অমসু ফংলে। অদুম ওইনমক, থোক্লিবা অপুন্বা ঙাথোক অসিনা লমদম অসিগী শিজিন্নবা কোন্নদবদগী মপ্যান্দগী মখল কয়াগী অতোপ্পা অমদি অকংবা ঙা টন কয়া পুশিল্লক্লি। মরম অসিনা থবক অমদি শিনফম অসি মপুঙ ফারে হায়না লৌবদি য়াম্রি।

লোয়শঙ অসিনা মীওই কয়াদা ট্রেনিং কয়া অমদি শেম্পুং কয়া পীরক্লি। অদুবু পীকথ্রবা তম্পাক্কী লম অসিদা পাক—শন্না থবক পায়খৎনবগী খুদোংচাবা ৱাংপনা মপুঙ ফাব ইঙম ঙমদবগুম তৌরি। লোয়শঙ পুন্নমক্কী মীৎয়েংফম ওইরিবা পীকথ্রবা লম মচেৎ অসিদা থবক ফংদবা অমদি শুফম—নোমফম খঙদ্রবা লাইরবা মী লাক্ক কয়াগী হিংননবগী থবক—থৌরাঙ কয়া পায়খৎপা হায়বসি খুদোংথীনিঙাইনি। মী লাক্ক কয়াগী থবক পীবা ঙমদবগী ৱাথোক তাইশিন্ন ঙমদ্রিঙৈদা লাক্ক কয়া অমগী ৱা-থোক ননশিল্লকপা, অপুন্বা লাক্ক ময়াম অদুগী "হিংবা" অমসুং "শিব" গী পংখৈ অদু য়ৌবক্লবা মতম অসি ফাওবদা মতিক—চাবা খুজিল—থৌরাঙ কয়া পায়খৎতবা পুন্নমক্কী ওইনা অমাঙবনি।

পীক্লবা তম্পাক্কী লম অসিবু মাংকৈ মরিমক্ত কোয়শিন্দুনা লৈরিবা স্কার কিলোমিটর ২০,৫১৩ পাক চাওবা চীঙগী লম অসিসু মনিপুরগী লমথৈনি হায়বসি কাওনবা লৈতনা মফম চাবা মফমদা থৌরাঙ কয়া পায়খৎপা মথৌ তাই। লম্বী - থোংগী ৱানিংঙাই লৈত্রবা ঈশিং তুঙবা অমসুং ৱাংতনা ঈশিং পীবা য়াৱা অপাকপা লোক কয়ামরুম লৈ। মুঙ-লৈঙোই তাদ্রবা অমসুং উ-ৱাগী পোংথোক লৈত্রবন ইনকম লাক্লিংঙাইসু লৈতে। তম্মীশিংনা থবক কয়া মফম অদুদা পায়খৎপদসু অথিংবা লৈ, অমরোমদা, চীংগী ঈচিন—ইনাওশিংনসু ঙা য়োকপগী শিনফম অসি কয়া হৈনিংবা উদে। অসিগুম্বা খুদোংচাবা মফম কয়া অসিদা সরকারগী ওইনা ঙায়োকোন শেমগৎপা চীঙ - তম অনিমক্ত কান্নবা পীৱা ঙমগনি।

লমদম অসিগী লৈহাওগা চানবা, পীক্লবস্তু মহাও লৈবা, য়াম্না পাম্নবা ঙাত্রোন, পেংবা, ঙাহৌনচিংবা ঙা মখলশিং অসি মহৌশাদগী লৈরকই। অদুবু অসিগুম্বা মহৌশাগী ওইবা ঙা মখলশিং অসিদ চহি খরগী মমাঙদগী লায়না মখল অমনা পাক্তক্লনা শিহনবা অমদি শেন্দোং রাংলি খন্নবদগী লম্নাইগী ঙায়োক্কেন্দা কয়া য়োক্লদে। অখন্নবা পাং অমদি তুরেল খবদ নত্তনা প্যাক-শন্না ফংদবা ঙা মখল কয়াস্নু লৈ। য়োকখৎনবগী থোরাঙ পায়খৎপা উদবা অমদি পাকতক্লনা শিবা থেংনরকপদগী ঙা মখলশিং অসি লমদম অসিদগী মাঙখিনি খন্বদগী য়োকখৎনবগী অপাম্বা ফোংদোকনরক্লি। ইন্দিয়ান মেজর কার্পশিংগী মনুঙ্দা রৌ, মৃগল অদুগা লমদম অসিগী মহৌশাগী ওইবা ঙা মখল অযাম্বা চাথৎপা লায়না অসিনা পাক্তক্লনা শিহল্লি। চাইনিজ কার্পশিংদি নারবস্তু ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল লৈবনা শিবগী চাংদি য়াম্না হুম্বরবস্তু মরুম কোকপ্পা ঙগী পাঙ্গল অদুদি মাঙহল্লি। অমনা, লায়না অসিনা মরুমদগী পোকথায়রকপদা ঙায়রিবা অকুপ্পা ঙা মচা (স্পাউন) গী প্যোংথোক্তস্নু য়াম্না শাথীনা হুম্বহল্লি।

লায়না অসি মনিপুরদা কয়লা মম্বাঙ কায়না মৈ থারকপা মতম অদুরাইদগী শন্দোকপা হৌরকপনি লৌনৈ। নোংথক্তা পাইহনা লৈরিবা কার্বোন মোলিকুলশিং অসিগা ওক্সিজেনগা তিম্নরগা লিক্লা অমদি নোংগী ঈশিংনা লৈমায়দা পুথরক্তুনা ঈশিংগী ঈমায়দ চাইথায়রকপা কার্বোলিক এসিদ অসিদগী লায়না অসি ওইরকপা য়াই হায়মা থাজনৈ। লমদম অসিগী ঙাথোক হুম্বরকপদ লায়না অসিনা অচৌবা মতেং পাঙই। অসিগুম্বা খুদোংথীবা অসিদগী ঙাকথোক্তুনা ঙাথোক

হেন্নংপা ওম্মবগীদমক মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা কুপনা থিজিনবীদুনা পান্থে কয়া পুথোকপগী মথৌ লৈরে।

মনিপুরগী চৌঙলক্তা চেম্বা অচৌবা অমদি অরুবা তুরেলশিংদা লৈবদা হৈনজন্না মুঙদা পুকপা মুঙশম অমদি ইশংনেচিংবনা মরুওইনা মচিঞ্জাক ওইবা ময়ায় ওইরপনা চাওবা ঙারা, ঙাথিম্মচিংবা মহাও লৈরবা ঙা মখল কয়া মহৌশাদগী লৈরক্লি। ঙারা—থরোবী হায়না খঙনবা ঙা মখল অসি চাওরে কনবা অমম্তুং কিলোগ্রাম ১০।২০ লুবা ওবা ঙানি। নিংথম থাদা মিতর অতুম্বদগী তাদনা লুবা ঈশিংদা লৈবা হৈনবা মুংজেংলৈঙোয়গী লৈহাওপা চা-নবা, মুঙদা হৌবা ঈশিংগী নাপীনা মচিঞ্জাক ওইবা অসিনচিংবা মরম কয়া অসিনা তম্পাকী লম্নাই ঙায়োক্লোন্দা ঙা মখলশিংসি য়োকপদ অরাবা—খুদোংচাদবা ওইবদা কয়া য়োক্লদে। তম্পাক্কা তায়নবা তুঙ-লৈঙোল তাবা খুদোংচাব মফম য়েংদুনা ফোরেষ্ট লোয়শঙগা অমদি ঙায়োক লোয়শঙগা মানবগী মথাদ: ঙায়োক্লোন কয়া শেমদুনা মপান্দগী লাকপা অমম্তুং মহৌশাগী ঙা মখলশিং অসি য়োকপগী থবক অমদি থৌরাং কয়া পায়খৎপা মী কয়াদা থবক পীরগা লোয়ননা ইন্দস্ট্রিয়েল ইউনিট কয়াগী মচাক পীবদ থৌদাং মাবা ওমপনি, লোয়ননা উমঙ ফজহনবদা শরুক মাবা ওমপনি।

পীক্লবা তম্পাকী লম মচেং থরসি সনাগুম থম্নদুবা তাম্নরিঙৈ, মফম চাম্নবা চীঙগী লম কয়াদি অরেম্বদা মাঙদুনা লৈরে। থবক—থৌরাঙ কয়া পায়থৎপদা হেন্দোক্লা খুদোংচারবা

চাওগী লম কয়া লৈরিবা অসি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা শিজিন্নবা হেন্না শিংবা সরকারগী থৌরাঙ ওইফম থোকই।

"অমাংবা ময়ক্তগীসু সনাবুদি খুল্লি"

চহি কয়াগী মমাঙদগী লমদম অসিদা থবক—থৌরম কয়াদ শিজিন্নবা, চিঙ্গাক্কীদমক, শঙ্গোমগীদমক শা-ষনগী মথল কয়া য়োক্লরকই। মথল কয়াগী উচেক—রায়া য়োকপা অতুম্মক চৎনরকই। তৌইগুম্বসুং, মতুনা অচৌবা থবক অমদি শিনফম অমা ওইনদি তৌনরক্তে, চুম্নতগী শিজিন্নবা খরগী নত্তনা। হকচাং ফনা লৈবা খুন্নাই অমা ওইবা ভূমনবগীদমক, মীয়ামগী শেন্থোক লম্বী পীবা ভূমনবগীদমক মনিপুরগী ভেটনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরী লোয়-শঙনা চহি কয়া চুপনা থবক—থৌরম কয়া পায়খত্তুনা লাক্লি। মথল কয়াগী শঙ্গোম থোকপী ষন্নী, য়েনছাংগীদমক অফবা মথলগী শা কয়া, অফবা মথলগী মরুম কোকপী য়েন—ঙানু, অমসুং শাদোংগীদমক শেন্দোং লৈনা য়োকপা য়াবা উচেক-রায়া মথল কয়া মপান্দগী পুশিল্লক্তুনা মীয়ামগী শেন্থোক লম্বী পীনবগীদমক শা—উচেক কয়াসি লোইহুনা থবক অমদি শিনফম কয়া পুথোক্লবা হোৎনরি। তৌইগুম্বসুং, পাক—শন্না মায় প্নাকপগী মওংদি ইউ—উদবগুম তৌরি।

ইরা—রাদনা কোম্না শেন্থোক লৈবা থবক অমদি শিনফমতবু পাম্নবগী হৈনবী ঈচেল অমা খুন্নাই অসিদা চেনবগুম তৌরি। হোৎনবা, অথাঙ কনবা, পুক্লিংগী অরেপ্পা লৈবা অসিনচিংবগী

মতিক—ময়াই চেথা হায়থসি ইরাং রাংপগুম তৌই। অসিগুম্বা রাখল্লোন অসিনসু থবক—থৌরাঙ কয়াদা অপথা ওইনবগী মচাক অমা ওইবসু য়াই। অমরোমদনা, শা—যনগী মচল গুবা মচিঙ্গাক্কী মমল রাংবা অমদি হিদাক লাংথক্কী মমল রাংবা অসিনা য়োকপদা শেন্দোং রাংপদগী থবক অসি পাযথংপা রায়। তম্পাক্কী লমদা অশংঅমান অমদি নাপী-শিংবী হৌবগী মফম পীকশিল্লকপা অসিনা পাকশন্না শঙ্গোম থোক্নপী যনশিং লোইবদা অরাবা লৈ। লোইননা অসিগুম্বা মপান্দগী লাকপা যনশিং অসি য়াম্না শিগন-মাগনবা অসিনা মমল রাংলবা শাশিং অসি য়োকপগী থবক্ত অকিবা লৈ। উচেক-রায়াগী মরমদসু অসি মণ্ডায়। মচিঙ্গাক অমদি হিদাক-লাংথক্কী চাদিং কাংইথোকপ্পা শেন্দোং রাংপা অসিনা লাইরবা মীওইশিংনা শিনফম অসি পায়থংপদা শেল থুমগী অরাবা মায়োক্লৈ। নাকল অমদনা, শেল পাংবা মীওইনসু শিনফম অসিদা পুক্নিং থিংজিন্দবা, অসিগুম্বা মরম কয়া"দিনসু পাক-শন্না শা-যন অমদি উচেক-রায়া য়োকথংপগী থবক্তা অপনবা ওইহল্লি।

মীয়াম্না লাইরবা ওইরবনি, থৌরাঙ কযানা মপুঙ ফা'ন' মায় পাকপা ঙমদ্রিবসি। সরকার অমদি মীয়াম অনিগী মরক্ত অরংপা অমদি অংশোয়বা কয়া লৈরিবসি নিংথিনা থন্না নৈনহুনা থঙদোকদিল্লরগা থবক অমদি শিনফম কয়াসি পাক-শন্না পায়থংনবা হোংনবা লাইরবা, শেম্হোক লম্বী লৈতবা থুন্নাই অমা ওইনা ভৌফম থোকপনি। চীঙয়া—তময়', তাইনবা মফম কয়াদ সরকারগী ওইবা ফার্ম কয়া শেমগংতুনা মীওই কয়াদ থবক পীবগা লোম্ননা মান্ন—পাকপা পৌশিন অমদি থৌরাঙ ওইহনবা লৈবাক-মীয়ামগী অকবা ওইগনি।

লোয়নবা ইন্দষ্ট্রীয়েল ইউনিট কয়া লিংখৎপদ শরুক য়াবা ঙমগনি।

সরকারনা ফবা মতেং পীহুনস্থ, মীয়াম্বা ফবা করা লাউহুনস্থ ইরমদম, খুম্নাই অমদি চারোন-শুরোলগীদমক মতম মাঙহন্দনা নিংঙন্দনা অমদি তৌদবা য়াদবা "ইথৌ" নি খন্না হোৎনত্রবদি মায় পাকপা য়াগনি।

Go to the ant thou slaugher
Be consider her ways
And be wise" —*Holly Bible*

থবক শুনববগীদমক ঙাইরিবা অমবা থবক অমা ফংবা রামিংঙাইনি, হিংনবগী থবক অমা শুগে হোৎনরিবা মী অমদা থবকী অরাৎপা লৈতে। শাংলবা চহি কয়া লিশাংশিংনা লৌউ শিংউরকপা লমদম অসিদা ঙসি ফাওবদা ফোনা অমত্তা ঙায়রবা পোৎথোক ওইরি। লৈরিবা লৌবুকী চাদা মরিফুদি অরাউবা চরু খোক্লা রানা কুমগী নোং ঙাইহুনা লৈ। মনা-মশিঙ কয়া মাগী মাগী ইংখোলদা থা নবা নত্তনা পাক-শন্না ইথা-থানদে মরম অসিনা লম অসিগী পোৎথোক্লা শিজিন্নবা কোন্নদবনা মপান্দগী পুশিল্লকপনা অয়াম্বনি।

লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা চহি কয়া চুপ্পা চাংয়েং কয়া তৌহুনা চাথোক লৈবা মরু মরাং কয়া পুথোক্লি। মপান্দগী অফবা মথল কয়া পুশিল্লকুনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লেপ্তুনা হোৎনরক্লি। অহুবু, লমদম অসিগী শিজিন্নবা কোন্নবা ঙম্বা ফাওবগী চাথোক পুথোকপা ঙমদ্রি। ঙসি ফাওবদা ফোনা অমত্ত ঙায়বা মরু ওইবা পোৎথোক ওইহুনা লৈরি।

নিংথমগী মরূ-মরাঙ অমদি মনা মশিঙ কয়া পাক-শন্না শিনফম অমা ওইনা পায়খৎপা ইতৌ তৌনদে। অতুবু, মসিগী মরম কয়ামুক লৈ-ফম থোকই। মরু ওইবা থরদি :—

১। লমদম অসিগী লৌফম, অয়াম্বনা মচেৎ-মচেৎ ওইনা মপু নাইবনা খোইদোক-খোইজিন্দা অপন্ব লৈব।

২। অফবা মথলগী নিংথমগী মরূ-মরাঙ লৌমীশিংদা ফংহনবদা লমদম অসিগী ওইনদি থেঙমন্ব।

৩। পাম্বীনা ঈশিং পাম্লকপ মতমদা ঈশিং পীনবা ইথৈ লৌখোঙগী খুদোংচাদবা।

৪। থবক তৌগদৌরিবা লৌমী অয়াম্বনা লাইরবা মরমনা তিলহাৎ হিদাক অমদি মথৌ তাবা হায়নচিংবা লৈবগী অরাবা লৈব। অমসুং

৫। খুদোংচাদবা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা থবক অসি তৌরুরবসু শেন্দোং লৈতবদগী হৌজিক-হৌজিক্কী ওইব থবক্ক হেন্না মরূ ওই-রকপনা অতোপ্পা শেন্থোকপা থবক শুবা তারকপা অসিনচিংবনি।

লৌউ-শিংউবনা শিনফম ওইরিবা মীয়াম্না, মায়োক্কুরিবা অরাবা-খুদোংচাদবা কয়াগী মরমশিং লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা কুপনা য়েং-শিনবীদুনা লৌফমগী খুদোংচাদবা, শেল-থুমগী অরাবা লৈরিবা পুন্নমক কোকহন্দুনা পোৎথোক মরাঙ কায়না পুথোকপা হায়বসি লোয়শঙ অসিগী হোৎনজমনগী মহৈনি। লৌউ-শিংউগী লম অমদি ওইরগা পোৎথোক্ক অতোপ্পদা ভাংজবা হায়বসি অরাবগী মশক্নি।

কার্দিং কোঃ ওপঃ সোসাইটি অমদি এসোসিয়েসন লৈরিবশিং নত্রগা লৈহন্দুনা মখোয়গী খুৎথাক্তা লৌমীশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীজুনা পুক্রিঙ থৌগৎমিন্নবা মথৌ তাই। অছুবু খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি হকথেংননা থবক পায়রগদৌরিবঃ মীওইশিং, সোসাইটি, এসোসিয়েসন অমসুং থবক য়েংশিনবীগদৌরিবা লোয়নশঙগী মীওইশিং, পুকচেল তিংনা, অথাঙ-কম্না, অমদি তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি-খন্না থবক পায়খৎক্রবদি মায় পাকপা য়ানা থোকনি। মরু ওইবা অমনা, ঈথৈ-লোথোঙগী অরাবা লৈরিবা কয়াসি কোকহনবা তঙাই ফদে।

ওসিগী মীরোল অসিনা নংলিবা অরাবা অসিগী শরুক কয়া মথংগী মীরোলদা নংহৌবা, মহুগী শরুক কয়া মথংগী মীরোলদা অদুক হেন্না নংহৌবা, অসুম্না খুন্নাই অসি মমি ফাঙবা তাহৌদবা য়াই। মরম অসিনা মীওঙ্গী খুন্নাই ওইনা হিংবা গুম্বগীদমক হিরম খুদিংদা মীপাল তাংদমবা হোৎনবা হায়বসি খুন্নাই অসিগী নাম্থোকফদ্রদা থৌদাংনি।

“শেম্ন শেম্নগা য়োং মাল্লি”

অপুনবা মীশিংগী চাদা মরিফুনা লাইরবা ওইনা লমদম অসিগী মীয়াম্না হিংলিবসিগী মরম মীয়াম্না থঙই। শুফম নোমকম মরাঙ কায়দবনা শেম্থোক লম্বী লৈতবা অমদি হিরম খুদিং মীপাল তাংহনা লৈবা অসিনা মসিগী মরু ওইবা মরাম্নি। শু নোম্নগী লোয়নশঙ কয়ানা তোঙান-তোঙানবা থৌরাঙ অমদি

পান্দম কয়াগী মখাদা লৈময়োম অমদি খুনংগী মীওই কয়াদা ত্রেন্নিং অমদি শেনখং কয়া পীহুনা লৈবাক-মীয়ামগী শেন-থুমগী কিতম ফগৎহন্নবা চহি কয়া চুপ্পা লেপ্তুনা হোৎনরক্লি। অহুবু লাই-রবগী মশিঙনদি য়াম্না, খৌরাংনদি মীপাল তাংবনা অকরুবা থরদরক ওইবনা মীওই থরতগী ওইবা অসিনা ঙসি ফাওবদদি পাক-শন্না কান্নবা পীবা ঙম্বা থবক অমদি খৌরাং ওইবা ইঙম ঙমদবগুম তৌরি। মসিগী মরম কয়ামুক লৈফম থোকই, অহুগী মমুঙদা থরদি :—

১। অকরুবা ওইবনা খৌরাঙ অহু মীওই থরতগী ওইনা তৌবা।

২। থবকী খল্লবা মীওইশিং থবক অহুগী হৈথোই-শিংথোইবা ওইদবা লোয়ননা পুক্নিং চঙদবা।

৩। থবকী খল্লবা মীওইশিং লাইরবা ওইবা অমদি অতোপ্পা শেম্মোক লৈত্রিঙৈদা থাদগদবা শেনফম হৌজিক হৌজিকী মায়োক্লবদা মাঙজৌনমা লোইথোকখিবগা লোয়ননা থবক মখা চৎথবা ঙমদবা। অমসুং

৪। ফংগদৌরিবা শেনফম অহুদগী থম্বা, মরী লৈনবা থবক অমদি শিনফম অহুগী রাখল লৈতবনা মচাক কয়াগী খল-হৌদহনা থবক্ত অপনবা পীবা অসিনচিংবনি।

অমুম্না, থবক অমদি শিনফম অহু হিংত্রবনা লোয়শঙ কয়ানা থাদরক্লিবা শেম্মং, শেন্দোল ওইনা তুমহনা লৈত্রে। শেল তোন-শিনবদা হৈনবী লৈবা শিংদোকপগী হৈনবী লৈতবা খুন্নাই অমা ওইহল্লে। শেম্মং থাদবগী কান্নবা ফংলক্রবনা, খোনবগী থবদা থাদবগী অরাবা ওইরক্লে। থবকী রাখল অমদি শিনফমগী হৈনবী লৈজরবা,

শেংলবী অহাংবানা থবকতা কুপশন্না চৈথবা মীওই মুনাগী তিংবা কায়রুনা লৈরি। অসুম্না, "ইরোইবা হৈরগা, হৈত্তুরগা, পুম্না ঈথাক-খিদ্রে" হায়নবগুম, পুম্না লাইরব তানখিগনরে।

"শেংবা-থুমজা অমদি অচান-মীরাম্নু নাইবনা চ্যাওখৎ খোংথাঙ থীহুলহি, লাইরব তালহনহি"

কমন প্রোগ্রেম —

লমদম অসিদা চাওখৎ-খোরাঙগী থবক-থোরাঙ কয়া পায়খৎপদা প্রোগ্রেম কয়া মাংলোকহুনা পায়খৎকদবা অমদি পায়খৎলিবা থবক চাংলোকহনবা অপানবা পী। অদুগী মরুওদা পন্না মাব খরদি।

১। চহি কয়া চুপ্পা মহৈ-মশীং তমলুরবা থবকী হৈথোই-শিংথোইবা লৈরবা লোয়শঙগী মকোক থোংবা অমদি তেংবাংবশিংবু রাজ-নিতিগী ইথিল্লা থুবকী নিং-তম্বা মাঙহন্বদগী থবকী অচুম্বা পরিং মাঙলকপা।

২। মীয়ামগী ওইবা থুবকশিং (দাম্ন শারা, ইথৈ-লোখোং শেম্না, কার্ম শেম্মনচিংবা) কয়াদা রাজনিতিগী ইথিলদা থুবক পায়খৎপা, মন্থনা থবকী মমি তাদবা।

৩। পায়খৎলিবা থবক কয়া মপুঙ ফাদ্রিদ্রবদা মশা-মরেং কয়া কন্দোক-লক্তুনা অশেংবা থবকী শেনফম লোইথোকখিহনা থবক মছা মপুঙ ফাহৌদহুনা কান্নবা পীবগী মহুৎতা অমাঙবা পীবা।

৪। শেংবা-থুমজা অমদি রাজনিতিগী ইথিলদা থুবকী মীওই খন্না, অহুনা চাঁওদোকনা পুক্নি তোবা, পাংথাইদা, শা-যন লোইবা, তুরেলগী

ঈচেন্দা ঙা য়োকপা॰ [illegible] [illegible] পাক-শন্না মরু-মরাং থাবা অসিনচিংবা।

৫। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মখোক [illegible] থবকী [illegible] [illegible] মনিপুরগী চৌঙ্গতব "[illegible] [illegible] [illegible]" [illegible] [illegible] [illegible]।

৬। মরক্তা হকথেংনন্নবা লৌমী শিনমী অমদি মরী লৈনবা লোয়নদ, অদিগী মরী রাজনিতিগী ইখিন্দা থম্বা তারকপ, মখিনা [illegible] মরক্তা রাজনিতিগী কাঙলুপ শাইনরকুনা থবক অপাবা পীরকখা।

৭। লেজা-লুমজাবা অমদি রাজনিতিগী ইখিন্না থল্লবা থবকী মীওই থবক অমদি শিনফম অতুগী রাথল লৈতবা, কংগদোম্বিনা লেন-কম অতুগী থবা ওইবা, মতুনা থবকী মথি তারক্লবা। অমদুং

৮। থবকী রাথল অমদি শিনফমগী হৈনরী লৈজরবা, [illegible] অরাংপা লৈবনা থবক অপাম্বা ওইতুনা লৈবা মীওই [illegible] থুদোং-চাবা [illegible] চাউথংপা [illegible] থবক অমদি শিনফম কয়া লেঙজনা লৈবা অসিনচিংবশিংনি।

মরম কয়া অসিনা অচোবা পল অমা ওইতুনা লমদম অসিগী চাউথংপগী থবক-থোৱাঙ কয়াদা অপম্বা ওইহল্লি। মরী লৈনবা [illegible] লোয়শঙশিংগা মীয়ামগা নক্লবা মরী থম্মতুনা চাউথং-খোঙথাংগী মায়কৈদা থুংশন্নবা চংমিন্নবগী থুদোংচাবা লৈত্রি হায়না লৌবদা লানগদবা মান্দে।

"উনা উনা খী-লেৎপা"

ঐখোয়গী, মীয়ামগী পুন্সি, ঐখোয়গী মীয়ামগী ৰিভম, চায়োন-ভয়োনগী ওইরকপা য়াবা পুন্সিগী মহিং অসিনচিংবা কয়া, মীয়ামগী মীহুৎ লুঁচিংবশিং, লোয়নগী মকোক থোংবশিং, তেংবাংবশিং, রাজনিতিগী লা-ল্লোরশিং অমসুং মীয়াম্না খওনহুনা, উনহুনা অমদি খরহুনা লৈরবা ওাক্লি। পুন্সিগী মহাও খঙলকত্রবা. হিংবগী নিং-তম্বা মাঙলকপগী থাক য়োরক্লবা খুন্নাইঃ মতম অসি ফাওবদা 'ঐগী' হায়বা শীক্লব। রাখলমা মাঙওইনহুনা ওইজবা থিনহুনা লৈরবদি "ঐ" শুম্বা কয়ানা পুনশিল্লগা শেম্বা "ঐখোয়গী খুন্নাই" অসি শাথীরবা "হুগী ঈপাক" পুম্না লুপমিল্লবা তাবনি।

লাইর-ইনাকখুনবা, অচৌবা-অশিকপা, অরাবা-মুংওাইবা, অকবা-অংশোবা অসিনচিংবগী থেল্লবা লৈতবা মতম অমা লাক্লোয় ফনানা হায়বা ওমগদগে খুন্নাইগী অপুবা খোঁদোক লাক্লবদ— ! লৈঙাকপশিংগী মশাগী ওইজবত য়েংবা লৈঙাকক্লোন, অচৌবা ফমনাইবশিংগী শেঙা-থুমজ' অমসুং অচান-মীরায় নাইবা মতৌ, শেঙাও পায়বশিংগী লেন্দাল লম্বীগী চীরোল মায়োন অমসুং মখোয়শিং অসিগী খোঙলোয়শিংনা ওইজবা ফংনবগী শাজং-লীচং, লৈবাক অমদা "সিভিস রায়" থোকহন্নবগী অচৌবা মরুওইবা মচাক্লি।

"তবাগী চৈথনা লেংখোংফায়"

কমন সোলুসন—

মীয়ামগী—অপুবা লিংজেল, নোম্বা কবা, অখাঙ কবা, নিংহন্নবা লৈতবা, মতম মাঙহন্দবা, পুক্লিঙ লৈতাবা, ইশাগী ওইজবা থাদোকপা

অসিনটিংবা মতিক-ময়াই কয়া চঙই— থুন্নাই অমনা চাউথৎপগী থাক তানথৎপদা। অদুবু, ইরৈবাকচা খুদিংমা খঙমন্নবা ন্নাকন অসি "ঐ" ইশাগী ওইজবা অমদি খুদোংচাবা য়েংনন্নকপদা নাকোইননা হেক হেক থম্বগুম তৌনৈ। থবক্কা মন্নী লৈনবা লোয়্নশঙশিং, মীয়ামগী মীহুৎ লুচিংবশিং অমসুং মীয়াম অমত্তু ওইনা পুক্নিঙ লৈত্তামিন্ননা থুৎশন্নদুনা হোৎনমিন্নরবদি থবক-থৌরাঙ কয়া মায় পাকপগা লোয়ননা লৈবাক মীয়ামগী ফিভম কগৎহন্বা ঙমগনি। থবক-থৌরাং কয়া পায়থৎপদা মায়-পাক্লিংঙাই ওইবা মচাক খর পম্ব তারবদি—

১। থবক্কী হৈথোই-শিংথোইবা লৈরবা লোয়শংগী মকোক থোংবশিং অমদি তেংবাংবশিংদা থবক্কী নিং-তম্বা লৈহন্বা অমদি ন্নাজনিতিগী ইথিন্না মখোয়গী থবক্কী নিং-তম্বা মাঙহন্দবা লোয়ননা পূকচেল তিংনা অমদি পন্নিং চুন্না থবক-থৌরাঙ পায়থৎহন্বা।

২। মীয়ামগী ওইবা থবকশিং পায়থৎপদা থবক অদুগী মহৈ চাগদৌরিবা মীয়াম অমদি মন্নী লৈনবা লোয়্নশঙ, অনিগী মক্লবা-মন্নী থম্নদুনা থবক অদুগী অফবা মহৈ ফংহনবা।

৩। শেঙ্গা-থুমজানা, অচাম-মীয়াই নাইথনা অমদি ন্নাজনিতিগী ইথিন্না থবক্কী মফম লম্না লেপ্পা অমসুং থবক্কী মী লান্না থম্বা তৌথবা।

৪। থবক্কী ন্নাথল্লোন অমদি শিনকম অদুগী হৈনবী লৈরবা মীওইশিং-দা খুদোংচাবা পীদুনা থৌরাং অদুগী পান্দম য়ৌনবা হোৎনবা।

৫। চীঙ-তম থিদনা মফম চাবা য়েংদুনা পাক-শন্না সন্নকারগী ওইনা থৌরাং কয়া পায়থৎপা।

৬। শেন-থুমগী খুদোংচাদবা মীওইশিংদা থবক অমদি শিনকমগী ত্রেনিং পীবগা লোয়ননা থবক পীবা।

৭। থবক্তী হৈ-শিংবা লৈরবা, শিনক্তয় অহু লম্বাইগী ওইনা পায়থংপগী মতিক লৈরবা মীওঃশিংদা পীবা য়ারা মতেং পীহুনা থবক পায়-থংহন্বা

৮। ওংনোম্বগী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা অফবা মরী থম্মহুনা অমগা-অমগা তেংবানেহুনা লৈবাক-মীয়ামবু মপুঙ ফানা লমজিং-বীনবা হোংনবা অসিনচিংবনি।

নোংমগী ইমুঙ অমদা চঙদবা য়াদবা, হিংবগা য়াম্না নক্না মরী লৈনবা পোংলম কয়া, মীপাল তাংদনবা হোংনবমা ইরমদম, খুম্নাই অমদি শুমহংলাই চুহৌবগী ফিভমদা লৈরবা চায়োল-ওয়োল কয়াবু কনবদা থোদাং য়াথা ওমগনি।

"শায়র শায়রগা ওইনম্মী,
শঙবা কন্নগা ফম্মেল ফংই"

মনিপুর, ষ্টেত অমা ওইনা মীয়াম্না শেমজবা মশাগী সরকার লৈজে। সরকার অমা ওইনা মশাগী লমথৈ মনুংদা, ভারতকী অতৈ ষ্টেতকুম্না লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক সেলফ পোলিসি কয়া থমজনবগী হক লৈকয় থোকই। শেন-থুম, রাজনিতিগী রাথোক, লৈবাক মনুংগী রাথোক চান-থকবা রাংপগী রাথোক, লমথৈগী রাথোক, থবক ফংদবগী রাথোক শুফম নোমফম লৈতবগী রাথোক, হিংবা অমম্মং শিবগী রাকং অসিন-চিংবা রাথোক-লাম্থোক থুদিংমক মায়োক্নবদা কেন্দ্র সরকারদ তাংজহুনা লৈরবদি লমদম অসিগী মীয়াম্না শেমজবা সরকার অমা ওইনা তোঙাল্লুবগী কাম্নবা লৈতে।

মীয়ামগী য়াল্লবা লিংজেল,অচুম্বা রাখল্লোন, অমদি য়াম্নবগী মিৎয়েংনা "মীয়ায়া মীয়ামগী মীয়ামগীদমক শেমজবা সরকার" থবক থৌওং কয়াদ অচুম্বা পরিং থাদ্রনা অনৌবা রাখল্লোনগা লোয়ননা শু-নোম্বগী য়াওল অমা পুরকুনা মীয়ামগী হিংনবগী লম্বী পীহনবা ওমকম থোকই।

Man without a job is a lamp
Without light in the dark.

চাদনা মীওইবনা হিংবা ঙমদবনিনা, হিংননবগীদমক চাবা তাই; চা-ননবগীদমক মীওইবনা শু-নোম্বা মথৌ তাই। শেন-থুমগী ফিভম ফত্তবা, লাইরবা থুয়াই অমা ওইবনা অরাৎ-অপাতনা পিক থল্লী। মরম অসিনা কেন্দ্র সরকারদগী ফংলিবা চাকথুং অসিনদি লমদম অসিগী শু-নোম্বগী থবক ফয়া পাক-শন্ন পায়খৎপা কোম্নকম থোক্কে। লমদম অসিগী মীয়ামসু মীওইবা ওইনা মীওই খুন্নাইগী মন্থুঙদা হিংলিবনিনা হিংননবগীদমক শিনফম কয়াগী থবক শু-নোম্বা হায়বসি মহৌশানি। লাইরিক-লাইশু হৈবা-হৈতবা মীওই কয়া অসিগী থবক করম্বা সরকারগী লোয়শঙদা পীগদগে, পীননবা করি-করম্বা থৌরাঙ পায়খৎলিবগে?

স্তেত অমগী সরকারনা মীগী মীয়ামগী হিংননবা অমদি হেন্না চাউখৎপা খুন্নাই অমা উইনবগীদমক থবক অমদি শিনফম কয়াগী থৌরাঙ তৌবা হায়বসিদি লেঙবা য়াত্রবা থৌদাংনি। মত্রবদি মীয়াম মী-য়াম, সরকারনা সরকার, তোঙান-তোঙান লৈনবা তাবনি। কেন্দ্র সবকার না থাদরকপা শেনফমা থবক-থৌরাঙ কয়া পায়খৎপা কোম্নদে হায়হুনা

চৌকি কোন্নুনা লৈথোকপ তারবদি রাথোক-লাথোক কয়া অসুম হেম-গৎলকপা মহৌশানি। অমনা, মাগী লৈবাক-মীয়ামগীদমক সরকার অসিনা সেলক পোলিসি কয়াগী মথাদা থৌরাঙ কয়া তৌজবদা কেন্দ্র সরকারনা অথিংবা পীরবদি মনিপুরগী মীয়াম কেন্দ্র সরকারগী "অশাবা কপ্পী" থক্তা ডৌবা লেম্লে" ওইরে।

মীয়াম অমদি সরকার অনিনা খুৎশন্নবা হোৎনমিন্নহুনা পোলিসি অমগী মথাদা স্তেত অসিগী ওইবা কেন্দ্র সরকারবুসু তেংবাংবা ওইনা শেন তুংশিনবগী পোলিসি অমা থমহুনা "ইশানা ইশাবু তেংবাংজবা" লাইরবা মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি।

মনিপুর স্টেতকী মন্নুঙদা—পায়খৎপা য়াবা পোলিসি—

১। "শু-নোম্বগী লুমিং" অমা চহিগী ওইনা অকক্নবা লুমিং অমদা প্যাঙথোকপা।

২। "শু-নোম্বগী য়াওল"গী স্টাম্প অমা চৎনহন্বা।

৩। সরকারগী লোয়নশঙ অমদি লন্নাইগী কার্মশিংদা থবক তৌরিবশিংগী থা-থাগী তঙ্গব লৌবদা গ্রেদকী মতুংইন্না ভেল্যুগী স্টাম্প শিজিন্নহন্বা।

৪। চহিগী ওইনা থৌরম পাঙথোকপা লুমিংতা শাক-শন্না মীয়ামদগী মতেং লৌবা।

৫। শেল খোমজিনকম ওইনা "মনিপুর স্তেত পব্লিক বেঙ্ক" অমা হাংদোকপ। অমসুং

৬। মিনিষ্টর ওফ ফাইনান্সনা জুচিংবা— ১) দিপার্টমেণ্ট ওফ ইন্দস্ট্রিজ ২) দিপার্টমেণ্ট ওফ হোর্তীকলচর ৩) দিপার্টমেণ্ট ওফ ফিশরীজ, ৪) দিপার্টমেণ্ট ওফ এগ্রিকলচর, ৫) দিপার্টমেণ্ট ওফ সেরিকলচর, ৬) দিপার্টমেণ্ট ওফ ফোরেষ্ট, ৭) দিপার্টমেণ্ট ওফ ভেতনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরী, অমসুং ৮) দিপার্টমেণ্ট ওফ ষ্টেতেতিক্স শিং অসিনা মেম্বর ওইবা বোর্দ অসিনা নিংথিনা খন্নৈনন্থনা থবক-থোৗরাং কয়াগী শু-নোম্বা অনৌবা য়াওল অমা পুরক্লবা হোৎনবা, অসিনি।

"তুরেলগী লৈঙোইনা হেন্না কুপ্লরা
য়ুম্বাল্লোয়্না হেন্না মকুপ্পী"

লৈবাক অমগী মীয়াম্না হিংবদা থেংনরক্লিবা, থেংনরিবা অমদি থেংনগদৌরিবা অফ-ফত্ত করা অসি খঙদোক্নুনা হেন্না মুংঙাই-য়াইফবা খুন্নাই অমা ওইনা হিংননবা খুজিল থোৗরাং তৌবা হায়বসি সরকারগী মথৌমনি। থোৗরাংশিং পায়খৎপদা খুদোংচানবগীদমক মাঙজোননা খঙদোকপা মথৌ তাই হায়বা রাখল্লোন অসিগী মথাদা তোঙানবা লোয়শঙ অমা ওইনা 'দিপার্টমেণ্ট ওফ ষ্টেতেতিক্স' থম্মৈ।

চহি মঙাগী ওইবা পান্দমগী মথাদা থবক-থোৗরাঙ কয়াগী পান্দম থমহনা লেপ্তুনা হোৎনরক্লি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক। চহিগী ওইন লমদম অসিদা হেনগৎলক্লিবা মীশিঙ, লাইরিক-লাইশু হৈবগী মশিঙ, হৈতবগী মশিঙ, থবক ফংবা-ফংদবা, করম্বা মওংদা শু-নোমহনা মীওই কয়ানা হিংলিবা অসিনচিংবগী অকুপ্পা মরোল খঙদোক্নুনা মরী-লৈনবা লোয়শঙশিংদা খঙহনবা হায়বসি সরকারনা থবক-থোৗরাঙ কয়া পায়খৎপদা

অমদি পায়খৎনবা হোৎনহবদা খুদোংচাননবনি।

মরম অসনা, লোয়নশঙ অসিমা কুপনা থিজিন-খোৎচিনবীহুনা থৌরাঙ কয়া পায়খৎপদা অমদি পায়খৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌ-দাং লৌবিবা লৈবাক মীয়ামগী অরুবা ওইগনি।

"ইপা-ইমা অমদি অহল-লমনবু ভেংবাংবা
হায়বসি ইশানা ইশাবু ভেংবাংজবনি"

ভারতকী লৈরিবা ষ্টেট কয়া'সিগী মনুঙদা নিঙাই কনবা কয়াদি চামন্দুনা অমুক নাবসু য়াওরম্বা য়াই। অদুবু ঐখোয়গী স্টেট অসিদি নিংঙাই তৌবসু ঙমজদে, রাকৎপসু ভৌগন্দে. পেম্হোকপঙনি হৈজবা পেম্হোকচবনা অরেম্বনি খল্লিঙৈ, ঈশানা ঈশাবু শেমজবগী থৌদাংসু লৌহোদা 'লৈম য়েংলিঙৈ খুনু কাই' হায়বা ভাহুনা লৈবাক, খুন্নাই অমদি চারোল-ঙুয়োল 'পুম্বা ঈরোম্‌ঙদা লুপথিনি।'

কোরৌহমগী ঙাঙ্গানবা মশেক মঙানগা লোয়ননা ইরমদম, খুন্নাই অমদি চারোল-ঙুয়োলগী য়াইফ-লম্বী পীঙম্নবা ঐখোয়'পুম্বা ইশাগী থৌদাং লৌরসি।

—::—

শান্নবুংদা মিংয়েং

"শান্নবুঙ" হায়বসি লৈরমজরবদি মালেমগী মীওই খুম্নাই মরক্তা মীওই কাঙলুপ মশেল অমুক পাক-শন্না শকথঙ-মায়খঙনরম্লোই। ঙস্লিগী মতমদগী, মালেমগী লৈমায়দা লৈরিবা মীওই কাঙলুপশিংনা মাগী মাগী লম অমদি কাংলুপগী চৎনবী মথাদা মশান্না কয়া শান্নরকই। মাগী মাগী লমথৈ মমুঙদতা শান্নরমদগী ঙসিদি মালেমগী মীওই কাঙলুপশিং, মালেম 'পুম্বগী ওইবা শান্নবুঙ কয়াদা শান্নমিন্নরকপদগী শিনথুংনা শকথঙনবগী অচৌবা মচাক অমা 'শান্নব' না পীরমে। লম-লমগী ওইবা মশান্না কয়াগী মরক্তগী য়েংবদা মিং পেন্বা, হকচাংদা কান্নবা পীবা, মুংঙাইবগী ইথিল পীবা অমদি ফজবা মশান্না কয়া খনগৎলগা শান্নবগী চৎব-পথাপ, মালেম'পুম্বনা য়ানগদবা অমগী মথাদা শান্নদুনা অথোই অহেন তান্নরকলে।

খৃস্টগী মমাঙ, চহি কয়াদগী গ্রীকী লাম্মীশিংনা মশান্না কয়া শান্নরকই। কিন থিন্নদুনা ফুনবা, মুঙ-মুঙপাক লংনবা, তা লংনবা থাঙ-তা য়ান্ন-থিন্নবা, অতেথ্বা-অশাংবা লমজেল, শগোল লমজেল, শগোল তোংলগা ফুনবা অসিনচিংবা মশান্না কয়া শান্নহন্দুনা লাম্মীশিং মশা-মঊ ফনা, মশা খীঙনা, মিংশিং-নাশিংনা, মশেলগী মরক্তা মুংশিননা, লিংজেল মান্নন অমমুং হৈথোই-শিংথোইনা থম্নবা হোৎনৈ। লমদম অমুতগী ওইনা "ওলেম্পীক" কৌবা মীংথোল অসিগী মথাদা মশান্না কয়া শান্নহন্দুনা অথোই-অহেনগী মনা "চোফেঁান মনা পরেং" পীদুনা ইকাই খুম্নবগা লোয়নন্না লাম্মীগী ফমথোল পী।

অহুবু ঙসিদি, অমুগুম্বা মিংথোল "ওলেম্পীক" মালেম পুম্বগী

ওইবা শান্ন-খোংনবগী খ্বাইদগী ৱাংবা মিংথোল ওইনা মতিক চাবা মালেমগী মকম কয়াদা কোয়চেন চেন্বা শান্নবুং ওইরে। চোফেন মনা পরেংগী মচুৎ "সনাগী তকমান"না শিল্লরে, গ্রীক খক্তগী ওইরম্বছু মালেমগী লৈমায়দা লৈরিবা মীওই খুন্নাই 'পুম্বগী ওইরে।

অনিগুম্বা অরাওবা থাকী শান্নবুং অসি কাপা ওম্বগীদমক মাগী মাগী লৈবাকী ওইবা মিংথোল কয়াগী অমদি থাক কয়াগী মথাদা শান্নরবা শান্নরোয় কয়াগী মরক্তগী থনগৎতুনা লুপা লিশিং চা কয়া কয়া চঙনা শান্নরোয়শিং কয়া শেমগৎতুনা লৈবাকী মিংচৎ থম্নবা হোংনৈ।

"কৈনবু তোকপা পোকপরা"

য়েলহৌঙৈদগী, কংলৈপাক (মনিপুর) মশান্ন কয়া শাগোন্নরকপগী খুদম ওইনা ওসি ফাওবদা চৎনরিবা মশান্না কয়া শান্নরি। মূক্না, মূক্না কাঙজে, শগোল কাঙজৈ, য়ুবী লাকপী, লমজেল, থাঙ-থা য়ান্ন-খিন্নবা, অসিনচিংবা মশান্ন কয়াগা লোয়ননা শা-লান্দা হৈথোই-শিংথোইবা খুন্নাই অমা ওইরকই। উমঙ লাইগী লাইবুঙদা, পানাগী শান্নবুঙদা অমসুং কংলাগী শান্নবুঙদা মশান্না কয়া শান্নহন্দুনা অথোই অহেনগী মনা মতমচুগী মমল নাইবা ফি অমদি ফমথোল পীছুনা ঈকাই খুন্নে।

লমদম অসিদগী হৌখিবা মশান্ন "শগোল কাঙজৈ" না মালেমগী শান্নবুঙ কাজপ্রবস্থ লমদম অসিগী মীওইনগি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ক-বন্না মরম ওইদুনা শান্নবুঙ অসি কাবা অতাওবা ওইরি।

পেরুক্ক মহী থর, মপুক থন্দবা য়েরুম থর, ঈশিংদা ঙোহবা শঙোম থর, মশুং সাইবা লফোই অসিনচিংবা থর থক-চাহুনা শিন্দম-লকপা, লমদম অসিগী শান্নরোইশিংনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্ত শান্নবা য়াওরকপা খোইদোক্ত পূক্তিঙ সুংশিনিংঙাইনি। নিঙহন্নবা লৈতনা, চাবা-থকপগী থল্লদনা হোৎনরকপা কংলৈ শান্নরোইশিংনা ভারতকী অমদি মনিপুরগী ওইনা পুরকপা মিংচৎ, কংলৈ মীয়ামদা সুংঙাইবা অমদি চাওথোকচনবগী মঙাল পী। লমদম অসিগী সরকারনা অমদি মীয়াম্না শান্নরোইশিংগীদমক খুদোল কয়া তমকম থোকপনি।

মালেমগী পীক্লবা লৈবাক কয়ানা শান্নরোয় অমনা মনা অমা পুরকপা ঙম্নবগীদমক শেমগৎ শাগৎপদা লুপা লিশিং চা কয়া চাদিং তৌনৈ হায়বা তানৈ। লৈবাক কয়ানা থাদনরিবা শেনফম অহু লাইরবা খুম্নাই অমা ওইনা ঙমত্রবসু মহুগী শরুক মঙা থোকপগী অমথক্তং ওইরবসু থাদহনা কৈ ওইরিবরা নত্রগা তোকপা ঙনগ্রবরা হায়বহু য়েংথোকপা চুমগনি।

মরাইবক থীরবা, অরা-মৈশা লাংগ্রব, মাঙজিন থাবা শান্নরোইশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা হেন্না ফাবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙম্নবা ঐখোয়গী সরকার অমদি মীয়াম্না খুৎশক্লনা খুদোল কয়া তম্বা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই, লোইননা মতিক চাবা থবক পীহুনা ইকাই খুম্নফম থোকই।

শান্নবগী লমদা ওইবা য়াবা ষ্টেটকী সেলফ পোলিসি—

১। "মনিপুর স্পোর্টস ফাইনান্স বোর্দ" অমা শেম্বা।

২। মিনিষ্টর ওফ স্পোর্টস এন্দ্ য়ুথস্ এফিয়ারস্না লুচিংবা, জিলা অমদি স্টেটকী থাক্তা লৈরা স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংনা মেম্বর ওইবা 'বোর্দ" অমা ওইহনবা।

৩। 'শান্ন-খোংনবগী মুমিং' অমা চহিগী ওইনা অকক্নবা মুমিংত পাঙথোকপা, লোয়নবা মীয়ামগী মতেং লৌবা।

৪। থা-থাগী নত্রগা চয়োলগী ওইনা অচম্বা লোটরি অমা "শান্ন খোংনবগী য়াওল"গী মীঙদা পাঙথোকপা।

৫। সরকারগী লোয়শঙদা থবক তৌবা মীওইশিংনা চহি অমদা নোংমগী তলবকী ভংখায় অমত্তং তেংবাং পীবীরবা। অমস্তুং

৬। মফম-মতম চানা বোর্দকী রারেপ্পা শান্নরোয়শিংদা পীবা য়াবা মতেং পীব্বিবা।

ইরৈবাকচা পুম্নমক্না ইশানা ইশাবু শেমজনবগী লৌফম থোকপা থৌদাংনি খন্বীহনা অসিগুম্বা স্টেটকী ওইবা সেলফ পোলিসি কয়া পায়খংনবা ঐখোয়গী সরকারদা রাকৎফম থোকই। সরকারনস্তু খুন্নাই অসিগী ওইরিবা ফিভম মুন্না খুন্থবিরগা লৌখৎপা য়াবা পোলিসি কয়া লৌখৎপিফম থোকই।

সরকারগী মীহুৎ অমদি থবক মরী লৈনবা মীয়ামগী মীহুৎশিংগা পুনশিন্নহনা থন্ন-নৈনবগা লোয়ননা থবক পায়খৎপা অচৌবা মায় পাক্নবগী লম্বী ওইফম থোকই।

অসিগুম্বা হিরম কয়াদা লমজিং-লমতাক পীবিবা ঙম্বা ইরৈবাকচা কয়া শৌগ্রী য়ুংবগুম লৈরি। চারোন-গুরোনশিংদা শান্ন-খোংনবগী লমদা লমজিং-লমতাকপিবা ঙম্বা, নহারোলশিংবু খুন্নাইগী মতিক চাবা


য়ুম্বীরেল ওইনবা লমত্তাকপিবা ভন্বা অমদি, ইশৈ, ইশাগী থোৗদাং নিংথিনা খঙলবা মহৈরোইশিং, অমদি শান্নরোয়শিং, কয়া অরাংপা নৎত্রে কংলৈ'সিদ । অমরোমদ, খঙজ-হৈজদবা, লৈবাক-মীয়ামগী য়াইফবা ওইগমি হায়রবদি থরায় ফাওবা কৎথোককে খম্বা মীয়াম লেপ্লী খুন্নাই'সিগীদমক । পুন্নমক্ক অমত্তা ওইনা লেপ্সমিন্নতুনা ঐখোয়গী সরকারবু থোৗদাং কয়া লৌহন্নদা অচৌবা থোৗদাং য়াশি ।

থোকলকসমু হেন্না থৌনা ফবা
ওইরক্লমু হেন্না হৈ-শিংবা,
পীবীসমু অখাঙ-কন্না,
চেন্সমু হোৎন-কন্বৈ' মতিক ।
শাওগন্দবা মতিক-ময়ায়না,
মুশিনবৈ অপুম্বা লীচিংনা
পুরক্লমু লৈবাক্কী মিংচৎ,
মালেমগী শান্নবুঙ কয়াদগী ।
পীসি ইনোত ঐখোয়'পুম্বা
হাপসি থৌনা লেপ্পা লৈতনা;
চাওথোকচসি ঐখোয়সু
ঐখোয়গী শান্নরোইশিংগীদমক ।
হেন্না ইকাই খুম্নসি
ইরৈবাকচা পুন্নমক !
অরা-মৈশা লাংথ্রবা
মাঙজিন থাবা শান্নরোয়শিং ।
তাকপি-তম্বিসমু মখোয়না

মচা-মনাও 'পুম্ববু
মীথোই মীওই ওইনবা
মালেগী শান্নবুও কয়াদা ।
খিল্লমসম্নু মিংচৎ উরোং
চীঙ লেম্বা মতৌ উৎতুনা
তাকলমসম্নু মালেম শিন্ন
"ঐখোয়স্ন মীওই থুন্নাইনি"

লোনখিবা চুমথোকচবা

লমায়		অয়ানবা		অচুম্বা
৫	—	কয়াদগী	—	কয়াগী
৭	—	লৈনা	—	লৈ'না
১০	—	খ্বাঙদা	—	খ্বাঙদা
১০	—	পৈতয়কপা	—	লৈতায়কপা
১৩	—	তাংজ্বুনতা	—	তাংজম্বুনতা
১৬	—	নান্নবা	—	মান্নবা
২৪	—	অতোপ্পা	—	অচোপ্পা
২৬	—	মথক্তা	—	মথক
২৭	—	য়ারক্ত	—	য়ারক্ত
২৮	—	লম্নি	—	লম্নি
৫৯	—	মীগী	—	মাগী



ফংফম:— রাজেস বুক স্টোল, গভর্ণর রোদ, নিয়ার
সেন্ট্রেল লাইব্রেরি, ইম্ফাল।

ফংফম থোকপা পুস্তক অইবগীনি।

অহান্বা খুৎনম — কোপী ২০০০/-

প্যাবীয় — নৈনবীয়
খোঙথাং অনিশুব

S. R Printing Industry, Paona Bazar, Imphal.